শক্তম মচেং মচেং
মচু মচা মচা




কমল তোইজাম্বা

শক্তম মচেৎ মচেৎ মঙ মচা মচা

শক্তম মচেৎ মচেৎ
মঙ মচা মচা

কমল তোইজাম্বা

SAKTAM MACHET MACHET
MANG MACHA MACHA
(A COLLECTION OF MANIPURI SHORT STORIES)



অহানবা ফোঙবা ঃ ১৯৯৯

অফোঙবা ঃ তোইজম পান্নীকেসন্স থেঙ্গ্রা লৈবক, চুবাচান্দপুর।

মখুম ঃ কুমার তুলি, চুবাচান্দপুর।

মমল ঃ লুপা ৪৫/

নম্মম ঃ পান্না প্রিন্টর্স পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

অইবগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং

এ লেতর ফ্রোম পোর্ট ব্লায়ার
খুল্লক্তগী চীংল্লক্তগী
মীথুংশঙগী হনুবা

মনাৎপু নুংশিজবশিংগী মফমদা

বাহৌদোক

কমল তোইজাম্বগী হন্দক ফোঙলিবা বাবী মচাগী মবিশুবা লাইবিক "শক্তম মচেৎ মচেৎ মঙ মচা মচা" কৌবা লাইবিক অসিগী মরমদা বাহে খবদং ইবা ফংজবসি যাম্না নুংঙাইবা পোকচৈ। নোংমা বাবী শাবদা মানা হায—"অশেঙ অশেঙবা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবদি অইবা ওইক্নবগী কান্নবা কবিনো? ঐনা নোক্লুনা খুমখি—"মদুনি অইবগী অৱাবা। অইবা খুদিংমক অশেংবদু ফোঙদোকপা ঙমদে। অশেংবা অচুম্বদু ফোঙদোক্নবা থৌনা লিংজেল চঙই।" মহাক মখা তাবকখিদে, তুমিন্না লৈখি। তুম্নিনা বা ঙাঙদনা লৈবা অসি মাগী মহৌশানি। বাহে যাম্না লীকপা মীনি। মীঙমজদবগী মতৌ মানবা অমসু লৈ। তুমিন্না লৈখ্রিবসি মহাক মাযথিবগী মওং নত্তে, থম্মোয়দা বা যাম্না ঙাঙলিবনি, শাওবির্বনি, বাকৎলিবনি, পেন্দ্রিবনি, ওমচাক্লবির্বনি, লান হৌবিবনি। ঐ খঙই-মাগী মতৌগা মাগী কলমগা যাম্না খেন্নে। মাগী কলমদি যাম্না থৌই, বা যাম্না ঙাঙই। অচুম্বা খবসু থৌনা ফনা ফোঙদোক্নবা হোৎনৈ। মানা হাযখিবা, অশেংবা ফোঙদোকপা পামখিবদো মাগী বাবীশিংদা কয়া যাম্না যাওববগে হায়বসি যেংনিংলকখি। কুপ্না পাদুনা যেংলে। থৌনা ফনা শেংনা ফোঙদোক্লুনা ইবা চৌজক মতমগী তম্মথিববা পুন্সি শক্তম যাওবা থেংনবে। মহাক চপচানা মতমগী অইবা ওইবে।

মানা যেক্লিবা পুন্সিগী শক্তমশিং, থৌদোক বাথোক্নী বাবীশিং অসিদি অকিবগী মশক্নি। মতমসিগী খুন্দগী তম্মথিববা ঈবাং কয়া, নহাবোলগী লানহৌ, কাঙলুপ মশেল হাৎন শুনবদগী থোনকপা তম্মথিনবা থৌদোক কয়া, অকিবা বাবীশিং থাজদ্রবা মীয়াংশিং, মীনুংশি যাওদ্রবা, শান্তিংচাবা ওক্সুব্রবা মীওইশিং, কয়া অসি মযেক শেংনা যেক্লকই। তম্মথিববা থৌদোকশিং অসিনা অইবগী বাখন্দা যাম্না কন্না যৈখিদুনা মঙ হাওম চৌবকপা মওং অমা লাকই অমসুং মসিবু মঙ হাগী মওংদা ফোঙদোক্লকই। মাগী মকুওইনা বাবীমচাশিংদি মঙ হাগী খোঙচৎনি। মঙাল উবোই উদবোই ওইনা চৌবা, অচুম্বা মশক খঙদ্রবা লমদম অসিগী ঈবাংদগী থোবকপা মঙশিংনি। লাইবিক অসিদা যাওবিবা বাবীমচা অযাম্না (উচি, ক্যেমোফ্লেজ, বক্কব, লান, অবোযবা পুংফম, মীনোক অমা, বেস্ক্যা তিম, পাউজেল, এস্লুস, তম্নলাই) অইবগী থম্মোযনুংদগী ফাওবকপা চৈনাখোল খবা থম্মোয ফুক্না পাউদম্লকপা বাবীমচাশিংনি। মতমগী লানফমদগী থোক্লকপা থম্মোযগী লানপাউ অমনি। চনৈনববা,

মফম-মরাঙ খঙদ্রবা, অচুম্বা মাঙখ্রবা, হিংসানা মরায় হায়গৎলক্রবা মতমসিগী চপচাবা ৱারীশিংনি। কমল তোইজাম্বদি ড্রিম, এলেগোরি অমসুং ফেন্টাসি শীজিন্নদুনা ইবা, খুৎই মওং অসিদা য়াম্না খুৎলোয়রবা, মসিদা তোমথিন ওইরক্লিবা অইবা অমনি। চহী ২৫ চূড়াচান্দপুরগী মৈতৈ খুন্নক্তা লৈরকপদগী থেংনরকপা পুন্সিগী এক্সপিরিয়েন্স খরা য়াম্না তেন্না, লীক্লা অমসুং শাফু লৈনা মাগী লাইরিক অসিদা ৱারী মচা ওইনা পাউদন্নক্লি। মাগী লাইরিক্কি মিংথোল অসিদা য়াম্না অর্থ লৈনা ৱাহৈ খরা য়াওরি "মঙ মচা মচা " তশেংবমক হৌজিক্কী পুন্সি মঙলানগুম্বনি। লাইরিক অসিগী ৱারী মচাশিংগী নুংগী ঈচৈন্দা মঙ-হাগী মতৌ অমা ইথা থাদোক্তনা লোন্না থুপ্না চেন্লি। ৱারী মচাশিং অসিদি মঙ মচা মচাদি নত্তে, মৈ হৌরবা অচৌবা মঙলান অমমন্নি।

দিসেম্বর ৩, ১৯৯৯

ডা. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

কৈশামপাৎ লৈমাজম লৈকায় ইম্ফাল

ৱাহৈ খরা

মিলেনিয়ম অসিনা মীওইবগী চাওখৎলোনবু মতোল লোমহনখ্রবসু লমদমসিদদি তাৎ পাৎ, চিবোল-খাবোল, মীচং-শঙ্গন, শেনজা থুমজা, নমহৎ তুহৎপা যাওদনা হিংবা ওইথোক্লি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা মথোং হুক্তবা থৌদোক বাথোক, মীশি মীনা মযাম অসি থোক্তবা যাদবদগী থোক্লিববা। চহী কযাগী মমাংদা খুনাই অসিনা কাতু কাবন থাংজিল্লুবা খোঙথাংগী ফংফম থোকপা চৈবাক ফংবগা লোযননা অবানবা খোঙথাং কযা অদু কোকথোক চামথোকপীগে খন্দুনা মহৌশা লাইবেন্থীনা পান্দম অমা যৌনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা ঐখোযনা লাননংলুবসু ওইবস্থা যাই।

পুংজাসিদা সাহিত্যনি হাযদুনা ঙাইহাক পাবা নুংঙাইগদবা, থোৎ মেঙবা, লিবি খোইবিবা, পুক্নিগা লোযনণা ৱাবীমচা ইবদগী হেন্না বাথোক লাছোক্লা থল্লবা, মীশি মীনানা যোল্লবা, ঈ হৈবলা মচেৎ মচেৎ কাযববা পুন্সিশিং অমসুং মখোযগী মঙশিংগী মশক্লা হেন্না মীতাজকই। পকচবা, পকচদবা, কান্নবা কান্নদবদি খঙবা ঙমজদে।

বাবীমচা খবদি "**পোক্লফম**" অমসুং "**ৱাখল**" দা ফোংখ্রে। লাইবিক ওইনা পুথোকপগী খুদোংচাবা লৌজবগা বাবীমচা খবদু অমুব হন্না লাইবিকসিদা হাপচিনজবে।

ঐগী বাবী মচাশিংগী মবমদা পুক্লিংদা যাওবিবা খবদং ফোংদোকপীযু হাযজকব্বদা হবাও হবাও ইবীবকপা মণিপুৰী সাহিত্যগী শক্লনাইববা ক্রিটিক ডা, নোংমাইথেম তোম্বী সিংহবু ইকাযখুন্নবা উৎচবি।

ৱৎই ওইনা লৈবিঙৈদা লাইবিক অসিগী অশোয অঙাম কয। যেংমিন্নখিবা ঐগী মব্দপ যুমলেম্বম ইবোমচা, সুধিব নাউবোইবম, লাই ইমো, ইবোসনা যাম্বেম অমসুং লাইবিক অসিগী প্রুপ্নচিংবদা তেংবাংবীখিবা নিঃ এসঃ বাজকুমাব, ক্ষেত্রিঃ বাজেশ্বব, লনচেনবা মীতৈ, ওইনাম সনাজাওবা লোযননা লাইবিক অসিবু নম্বীখিবা পদ্মা পিন্টর্সগী ইচিল ইনাওসিংবু তৌবীমল খঙণা উৎচবি।

কমল তোইজাম্বা।

মনুংগী লমায়শিংদা



উচি

মীচিক মী শাওখোল শোখিদ্রবা নিংথম থাগী অহৌ, চবুক্তনি মহাক্না খেজ্রুপ মনুংদা চঙলকখিবদো।

তশেংনমক মহাক যাম্না ঈংলেমগনি। যাম্না ফবে, খেজ্রুপ মনুং দা চঙজবকপা। খনখিনি নাখল অসি মতোমতা মানুংশি অমগা লোয়ননা।

লুমবু লুমবু শাগৎলকপগা লোয়ননা লেঙলি লেঙলি তৌবকই। ইপা তপা ফুরীৎকা হকচাংগা তাইনবা কাবক্তা লীৎশিন্নবা যাম্না কন্না হোৎনবকই। লীৎশিল্লকই।

খোং নৌববা থবাক গনীদু নীংথিজনা ফাজীন্দুনা থম্লিবা ফুরীৎ ফিখাগী মনুং যৌশিল্লকই। থবাক মতোনগী মচীন অতুম্বদুদা তপ্লি তপ্লি কক কক চীকলকই।

থবাক্তা পুকনোপ্তা চুপপোই চীকপোই লেকপোই অসুম তৌবম্বদু খনা খবদগী পূক্কী মখা খংবা শকক যৌশিল্লকই। মফম মবাং খঙহৌদে। খৈগল অনীগী কাবক্তা লৈবা খোং মেঙলবা হকচাংদা কবিনো অমনা চক চক থিন্দুনা শান্নবা হৌবকই। মদু মাগী মচিন অতুম্বা অদুনা থিন্দুনা শান্নবা ওইবম্বা যাই।

মহাক্কী কা যাম্না হেনজিল্লকপা থৌদৌ অদু পূক্কীংদা খংযা যানিংলক্তে।

শাউনিংলকই। যাম্না নুংশিবক্তে।

কবিনো মহাক্না তৌজশাবিবসিবো? লৈফম ইবৈ লৈত্রদৌনা মীগী ফিনুংদা হেক্তা চঙশিল্লকইসিবো॥

ফৈজুপ মনুংদা চঙলকলে। ফবে। ঈংমনবদগীনি। তুমীন হেক মবৈবোদনা। কবি কবিনো তৌহৈবা তৌহৈদব্রসু খঙদবা, ঈকাই-ইকি খঙদবগী লীচৎ শাজৎ কযা চৎথবক্লিবসিদবু কনানো শাউনিংলোইদবা। কনানো তুমীন খাঙদুনা লৈপোকপা ঙমগদবা॥

ইপা পাখৎপোই, ইহৈ হৈনদবোং ইশাউ শাউনিংবোই মহাক্কী। মখলদু ইযান যানশিন্নখি। মথক্তা শুপ্লন্না ফৈজুপপু শংলাংদনখি। মশা মউ ফখ্রবা নুপা অমা মহাক্কী মথক্তা কাখৎলগা পাদোংলম্বদু উবকই। ফৈজুপ হাংদোক্লবগা মহাক্কী অপেনবা ফংখিবগা মপা চপ চান্নব্রা নুপা অদু মহাক্কী মথক্তগী ফন চোংখখি। ফম্মাংদা লৈমায হেক যৌবিগা উচি ওলগা কাংখলোমদা শং চঙশিনখিবদু মমীংমনা। শেং শেংনা উখি।

হান্না শাউনিংলম্বদগী। থোংদে অদুনা মহাকপু অনুক্না হেন্না শাউনিংহনবা। উশিং থোক্তইদবা লীচৎ শাজৎ অদুনা মহাকপু মঙ হাত্তন্না কঙাংলহনবা। ইবাই নুংশি যান্নখি। পুপাবু ফাগী চাহনখি।

কবি কবি ওইরবসু, ঈপ্পুবা থৌদাক অদু কাবশু লৌখিদবা, কাবশু খোকলিদবগী খন্দোক্লগে। হাংলে। ঙম্মদ। ওযা তশা নদ নমংশ্মাবাদা খুত্তুন্ন শুদুনা মখা চিঙনা চৎনা অদু খাঙবা তাখি।

নোংজু থাগী নুমিদাংবাই অমা, মফে নাম্মা তেক্লবা বোবা উচি অমা অতেকপা মফৈ অদু শেংবো শাবো চিংদুনা লাক্লগা নুমগী মাঙ্গোল দাবী কাখৎনবা কন্ন হোৎনবম্মা। মাঙ্গোলগী ইচুম তাফমদু নোং কম্মা তামংখিবদগী অতোবা চুবেল অমনা ঈহৌবকপগুম খোকখি। ইচুম তাফম অদু লানথোক্লগা মাঙ্গোলগী দাবী অৱাংবা অমা অমুক কাখৎপা হাযবসি মফৈ নাম্মা তেক্লবা বোবা উচি অমগীদমক্তাদ ওইথোক্লবোইদবা মঙ অমনি।

যাম্না ৱানা, মতম য়াম্না চঙনা, হন্না হন্না হোৎনববা মতুংদা অতেকপা মফৈ অদু চিংবোই থাংবোই ঈচেল কল্লবা চুবীদু উচিন নাচিন লানথোরকখিবনি।

চুবী তাফম অদু লাম্থোকলে হাযবগী বাদনি। মথংদি ৱাংলবা মাঙ্গোলগী দাবী

অমা অমুক কাখৎকদবা অসিনি লুরিবা। হিমালয় চীংদোল কাবদগী হেন্না শাথিগদৌরিবনি মহাক্কীদমক্তি।

মাঙ্গোলগী দারী অদু কাখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনৈ। অমুক কাখৎ, অমুক নাম্বা তৌদুনা লৈ। কাখৎলুববুদি নাম্বরকপনা হেনজিল্লকই। হন্না হন্না কাখৎলী। হন্না হন্না নাম্বরকই। কয়ারক হন্না হোৎনজরবসু ৱাবা হেনজিল্লকপা নত্তনা কান্নবা করিশু ফংলমদে। কাখৎপা ঙমদে। ৱাবনা মশা অদু তপ তারে। লেঙনীং খোৎনীংবা পোক্তে। শদৌ থোংলবা মথবাক্কী মিংছনশিং অদু মথবাক্কী উনশাদু ফাওদৎলগা হকচাংদগী মপান থোরক্কে কন্না হোৎনরকই। শোর চনিং চমাং শন্নরক্তে। মশা অদু পূমচোক চোকথৈ।

মাঙ্গোল মচিদা শান্নদুনা লৈরম্বা নুপামচা অমনা বোরা উচি অদুনা মাঙ্গোলগী দারী কাখৎনবা হোৎনবম্বদু উথোকখ্রে। হেক উবগা মখোঙদা তোংলিবা স্লিপর অদু লৌথোক্লগা থোমদুনা হাৎকদবগী থাংগৎলকপা মখূৎ অদু তাপ ফারগা হায়খি——নবুক্ত যেকপ্রা ইবুংঙো নঙবু? নুংশিদ্রা? মহাক অবাবা তাববনি। মরাইবক থীলবনি। অসুক ফিভম ফৎত্রিবৈঙে, অসুক ৱারিঙৈসিদা হাৎতোকপিবা হৌনদে।

ইচুম তাফমদা ঈরাক্লদুনা লৈরিঙৈ নুপামচা অদুগী মখূৎতা মথবায় মাঙলন্নগদবা বোবা উচি অদু মখূৎমক্লা ইচুম তাফমদগী লৌখৎপিবগা মথরায় কনবিখিবনি।

মহাক্কী ইংখোন্দা হৌবা মহয় মরোং, উহৈ ৱাহৈশিং চাবীনবা লৈবমদে। ৱাৎতা পাদবা ইমুং অমা ওইরম্মি। কুইদ্রি উহৈ ৱাহৈ কয়া লোয়না চাবা ঙমদনদগী খুঙ্গং লৈকায়দা কোযচৎ চৎতুনা য়েল্লম্মি।

ঙসিদি খূদিংমক অমত্তা ওইদ্রে। ইংখোন্দা পানবা উহৈ অমত্তং য়াতোন তংগে ফংদ্রে। হঙ্গাম মকা অমত্তং তগৎ তগৎ তেক্লা চাবা ফংদ্রে। য়ুম-কৈ, ইংখোল-শম্বন, মশক লোয়না হোংখ্রে। ইংখোন্দা হৌবা চাউদম শাংদম্বা উপাল ৱাপালশিং লোয়না শুংগং মাংগ্রংলে।

ইংখোল শম্বনগী ৱাদা নত্তনা মহাক্কী ফমুং-ফানুং, ইমুংগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা মরেং মরেং চৎপমথৈ লৈরবা উচিশিং অসি মশীং থীবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে।

উচিশিং অসি মতৌ করন্না অশুক থুনা য়ামখৎখিবনো হাযবগী মবমদা খম্বরুই। হনজিন হনজিন খল্লবসু তং তাবা মরম খঙবা ঙমদে। চিংনরকই মতোমদা। উচিশিং অসি মহাক্লা পোকপা ঙাক্তরনে? মহাক্লা ঈশিং চৎপা খূদিংদা য়াওরকপদুম

ওইরজাৎলা?

মপূক্লীংদা মওন মওন খল্লকই। করিগীনো মহাক্লা ঊচিশিং অসি অশুক য়াম্না নুংশিরুরিবা? মখোযগা মহাক্কা করম্বা মরী লৈনখিবনো? মখোয় অসি মহাক্কী কনানো?

মীওইবগী যেক্রুর্বনি হায়না ফাওবা থাজনবিবা ঊচিশিং অসিগী ফৎতনবা থবক অমত্তা ঙসি ফাওবা মহাক্লা তৌগে হায়না খনখিদবসিনা করিগীনো? তশেংবমক্তি ঊচিশিং অসিগী মরমচৎকী হাযকরবদি কবিগুম্বা খবা নহান্না তৌবা য়ারবনি। বাহংসি মতোমতা হংজে। মতোমতা অমুক পাউখুম পীগে হোৎনৈ। পাউখুম পীবা ঙমদে। পাউখুম পীবগী মহুৎতা হেন্না হেন্না ঙকচানসকই। চমন্নরকই।

ফরে, হৌখ্রবা পূমবা তৌখ্রবনি, মহাক্কী ফমুং-ফানুং, ইংখোল শম্বনগী বাফম ফাওবা কাউথোকচরগে খনজরবসু ঊচি ময়াম্না মহাক্কী হকচাং মনুং যৌনা চঙশিল্লকপা অসিমদি করম্না ইবায় লাযনা খন্দোক্কনি। লাযনা খন্দোকপা য়াবা বাফম নত্তে। ফিভম অসি অরুবনি। শিবা নৎত্রগা হিংবগী বাতং অমনি।

ঊচিশিং অসি ইচম চম্না চঙলকপা নৎলমদ্রে। হকচাং মনুংদা চঙলক্রগা তুমিন লৈবসু নত্তে। চেন্দুনা চোংদুনা, লাউদুনা খোংদুনা, মনিং মখা ওম্না, হবাও তাপন্না শান্নরক্রবনি। হকচাং মনুংসিদা মশাং থীবা ঙমদমখৈ মকোল শাজিল্লরবনি।

ঈশিং থোঙদা চঙখ্রগা যাদা থোরকপা, যাদা চঙখ্রগা অমাং পোঙদা থোবকপা. অমাংথোঙদা চঙখ্রগা নাকোংদা থোবকপা, মীৎ, নাকোং, নাতোন. য়া, ঈশিংথোঙ, অমাংথোঙনচিঙ্কসি ফাওদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবক্রে।

ফাওদোক ফাওজিন মনিং তম্না তৌবা য়ানবা হকচাংগী শিংলি, নাওবি. তোংশাশিং চীকথৎতুনা শদোং ফক্কুনা লম্বী শেমখ্রে।

করম তৌগনি? তৌফম খঙলক্তে। হুয় লোইগদ্রা? হৌদোং লোইগদ্রা? অচা অথক্তা হু হাপ্লগা থাদোক্কদ্রা?

খুদিংমক করিসু কান্নবা ফংগদবা মাল্লক্তে। হুয়সু হৌদোংসু ঊচিশিংসিনদুম চাথোকখ্রগনি। ককচেং ময়াম্না তীম্ভোকপু থাংদুনা পুখিবগুম পুদনা চৎখিনি। হু তোৎলগা অচাপোৎ থাদোক্কুরবসু হাউরবা মচীনভাক ওইনা মবুক্তুম পীক থন্না চাথোকখিনি।

খল্লুবা বাখল খুদিং পেন্দবা অমসুং শাউনিংবনা লাঙ্গোয় চল্লকই। খঙহৌদনা

মযুম মকৈ মৈ চাকখৎলক্লবা যুম্বগুমতৌগদবনা কবিনো, তৌবোইদবনা কবিনো খঙদনা ইঙাও ঙাওবগুম মহাকসু ঙাওবকই।

শাউনিংবনা হেনজিল্লক্লনা খ্বাংজেৎ তনশেৎ শেৎকৎলে। চৈশু পাযখৎলে। অউবা উচি খুদিং হাৎলগে খল্লক্লে। উচি হাৎনবা থাংগৎলিবনি খন্দুনা থাংগৎলিবা খুৎ অদু তশেংনা থাঙ্গৎপা ঙম্বদি ওইবমদ্রে। মথম্মোয প্রোক প্রোক চাক্লা অকাম অপেৎকী ৱাহে ৱাতা শীজিন্নদুনা উচিশিংদা চৈবিবদুসু মখোল অমত্তা থোক্লমদে।

কবিগী অশুম্না ওইবক্লিবনো? মতোমদা ঙকচবকই মহাক্লা অশুক থুনা শোম্থবকপা, অশুক যাম্না লাইবক থীবা মীশক অমা ওইবকপগী মবম কবিনা ওইখিবনো খবা খবা খঙলকপগুম তৌবকই। তশেংনা খঙদবা? অনম্নমা হংলকপদবুদি থৌনা ফনা পাউখুম পীবা ঙমদবসু মযাই।

মহাক শাংথনা হিংনবগী পাম্বে থিনিংলকই। মদোম হংলকই — ঐ অমুক হিংগৎনবগী পাম্বে শুকলৈমক লৈববোইদ্রা?

মমলবা অহীংদা কনানো খবা কাতু কাবন কোনাচৎ চৎপদৌনা মমী ... উরবই। চৎলিবশিং অদুগী মমীৎতসু যাম্না লাপ্না মৈলা অমা উবং ... মমু ... চৌই। মৈবা অদুদা মুন্না যেংলগা মখোয চৎলি। হূয মগাম্না খোং খোংদুনা ... যবু চীক্লে হাযনা তান্নবকপগী মওংনি। মখোযগী মনুংদগী খনদি অকি ... যাওদনা হূযযামদুদা মমায ওনশিল্লগা থৌনাগা লোযননা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা ... খি। হূযশিং অদু হেনজিল্লকপা ঙমদে। লাপ্না খোংদুনা লে।

হৌজিক মঙোন্দা অমুক্লা হেন্না ঙক্লা থোক্লে— উচিশিং অসি মতৌ করম্না হূয অমুক ওল্লকলিবনো। ❑

ক্যেমোফ্লেজ

পাবুং ইবোহ লবু ?

ইবুংঙোখোয চঙলকউ। ফম্মু। নখোযগী মক্নপতো চাবা বাল্লিব্রা করিনো।

তোম্বগা ঐহাক্কা ইবোহলনা চাক তোকপা ঙাইবি। হকচীক লাংসি হায়দুনা ইবোহলখোয পাবুংনা পীবকপা মোবাদা ফম্মী। কোম্ভোং মনাক্কী হৈনৌ মখোঙদা।

শগোল তোংবা, ক্যেমোফ্লেজ শেংপা মী খবা লাকই। লম্বীদগী য়েংলকপদা ঐখোয অনীনা যম্ভিবদু উখিবা ওইগনি। ঐখোয তম্না চুমদ্রিং চঙসিল্লকই।

খুৎলোয পাযবা ক্যেমোফ্লেজ শেংপশিং অদুনা মোবাদা ফমদুনা লৈজরিবা তোম্বদা নাহং পাউহংনা কাবিস্লু তৌদনা পংফূদা ফবা হৌরকই। মথবাক্তা কাওশিল্লি। মমাংদা শিন্না থিনর্জিল্লি। শদোন্দা নোংমৈগী মনীংনা শুজিল্লি। ঐনা হায়জে—মযাম্না ঐগী মরূপ অসিদু কাবিগীদমক ফুনিবীবনো ? মহাক ..?

ঐনা হংখিবা বাহং অদুগী পাউখুম ওইনা ঐঙোন্দা ওনশিল্লকই। মঙোন্দা ফুবগুম ঐঙোন্দসু ফুজিল্লকই। ঙাঙন-শক্লবা, বারী ঋাতায শাননবগী মতম লৈতে। মখোয়গী

মতৌদু অঙকপনি। মখোয়শিং অদু কনা ওইবিগবা খঙবসু ঙমদে। লালহৌববা? লালহৌবা শাববা? সিফাইবা? অশেংবা খঙবা ঙমদে। মখোয়না মফম মবাং খঙদমখৈ পংফুদা ফুবদগী ঐখোয় অনীমক কবি ওইখ্রবগে খঙখিদ্রে।

ভাব তাবকপদা মহাক লম্বাগী কোযলাস মথক্তা মখোঙ মথুৎ ইশন শন্দোক্লুনা, ফুবীৎ খোঙগ্রাও ঈ ইতৈ তৈদুনা উপ্রাক্লা উপ্পা তাদুনা লৈবম্মী।

মহাকুম্না ঐসু ফুবীৎ খোঙগ্রাওদু ঈগী ঈ ঙাওনি, নম্বা নাকনগী খোংপান অদুদগী যাম্না বানা কাখৎলকখি। হকচাংসিদি মওং অমা তাবমদ্রে। ইকেক তেকলে। চীকপা নাবগী চৈনানা হকচাংসি পুমগোম যাম্নলে। চীঙ শাদবা মফম তামও লৈবমদে।

ঐবু ফুবমলির্বসিদগী যাম্না হেনজিনবা মওংদা মহাকপু ফু [illegible]। [illegible] যুমনখিবনা মহাক অমুক হন্না মা ওইনা চৎলগনি হাযবা [illegible] কনিমত্তা খুমদে মহাক্কী [illegible] অদুনা ঐবু পাখং হল্লি

অকোয়বদা [illegible]। [illegible] দা লমজাওদা মী [illegible] চৎপা [illegible] হৌদোং [illegible] শন হবোই [illegible] [illegible] মনা মখোলসু [illegible] নাকৈ [illegible]

আকনগা [illegible] ইপাক্লা [illegible] নানা অনবক [illegible] পাশল্লে। [illegible] কনা [illegible] লৈবগে [illegible]

ইথা থাকেদনা কাদো [illegible] নুপী [illegible] কেদৌউদেসু উখিদ্রি। মহাক [illegible] ঐ [illegible] উবদা হিদান [illegible] পুদ [illegible]

ঐখোয়গী [illegible]। [illegible] শাকলে [illegible] খবতমক হ লগা মহাক্কা থোকপা ঐখোয় [illegible] তৌবরম্মী কাযববা কোক্তা বেন্দেজনাচংবা [illegible] খনা [illegible] মাঙান্দদি হীদাক অনীবকসু কাপ্পীবম্মি।

অশোক অতৎশিংদা তৈশিন হৈজীল্লকপা হীদাক্কী থুপ্পা শাবগী চেনাদু খাঙবাহোৎনবিঙৈ, বাবী ব্লাতায শাদুনা থাগৎচবি হাযবা বাহেশি ফাওবা হাযবা নংহৌদে। নুপী অদু চৎখ্রে।

নুপী অদুনা ঐখোয লাযেঙবিবিঙৈ, লৈকায খুলগী নুপী অঙাং, অহল লমনশিং

মরী মবী চঙলকখি। ঙাইহাক্কী মমাঙদা তুমীৎ অমা ফাওবা পাইবা উবা ফংলমদবদু হৌজিক্তি মীগী মী ঙাক্তা ঙাযবে। মখোযনা ঐখোয অনীগী অরাবদা শকক য়াবিরে। ইবাল লৈজদনা ঐখোযবু মথোঙ মবম খঙদনা পংফুদা ফৃবিবম্বগী নাতে চাদবা থৌদৌ অদুবু যানিংদ্বা ফোঙদোকলে।

মযাম চঙদুনা লাযকন্নববা মতুংদা মহাক পূরিং লৌশিং লাক্লে। মমীৎ পাঙথোবকলে। মহাক্কী ফিভম ফগৎলকপদু উবদা ঐহাক হাযনীংঙাই লৈতনা নুং ঙাইবম্মি। মহাকপু পুলগা যুমদা যাম্না থুনা চৎনিংলকই।

হৈনা। কবিনো মহাক্না তৌবক্রিবসিদে? শেৎলিনা খোঙগ্রাও লীৎলিবা ফুবীৎ শেগাক শেগাক শেগাযবগা লংথোকখ্রে। মশাদা ফী মচেৎ অমফাওবা পকখিদ্রে। ইখঙ [illegible] মহাক্না মকোক্তুগী মথাবাক ফাওবগী উনশাদু ঙা শং ঙাঙশিল্লক্রই। [illegible] তেবগুম। খনাক্তুগী নীংজোল ফাওবগী উনশানা উনা অশংবগুম [illegible] মহাৎ তানাদ মশিন মশিনলকই। মৈতাল অশিনগুম।

মহাক [illegible] মাপন্দ্র। মবাং মবাংবা নুমীৎযংবী মাল্লে। মহাক হৌজিক মীসু নওবা, শাস্, নওবা, তাস্ নওবা তালস্ নওবা শা মবক ঙা মনক্কী থনায পানবা মথল অমা ওইনে মহাক্কী মীৎয়ে নাযে, লেঙ্গুৎপগী মও, মতৌদ নুমাৎযু নী মাল্লি। অদুন মচু মমেন্দ মবাং [illegible] জনবসু বিভমদুন্দি মী অদুম মওইনব

মহাক মাপোল খোঙ্গে। বানী শান্নবা যাদ্রে। ঐনা ঙাওবা বা মহাক্না খঙলিব্রা খঙদে। ঐদি মহাক্না হাযবিন্দু কনি হাযবিবনো কবিগু খঙনা ঙমদ্রে।

ঙশাইমখৈ কনাযদা লৈকবানো খঙদবা ইবোহলদু তানজাসিদা উবা ফংলকই। ইবোহল নৎওনো মাপিদা। অবাপ্পদনি মীযামগী মনঙনি।

ঐনা কৌই— ইবোহল! ইবোহল!

খুম্মথে। মীযাম মনঙ্গী মহাক কোযচেন চেন্দুনা কবি কবিনো মখুৎও মশাও যামনা ঙাঙ-শকপওন তৌদুনা লৈ।

ঐখোয অনি অশোক অপন থোকখ্রো হাযবসি মহাক খঙদব্রা? ঐখোযগী নাক্তা ঙাইহাক্কং ফাওবা চঙলকঐবসি কবিগীনো? ঙশায মখৈনা কদাযদা চৎলুবে?

যুমদা চৎলসি হাযকই কযাবক। মহাক থৌশাদে। মহাক্না থোকপা নুমীৎযু বীনা তৌনগুম মমীৎমনাদ্ ফৈবেং তুবেং, তথক তথক শুন্দ্রংদা কবিদা যেংদুনা অদুম লে। ঙহাক্কী মতুংদা অকিবগী মশক ফংনা শাংলবা মবৈ অমা

তিংথোবক্লগা মশাগী মমাযদা মমীৎতা, মরেংবান্দা, মথবাক্তা, মখুৎতা, মখোঙদা শৎ শৎ লেক্তুনা শান্নরকই মতীন কুৎ কুৎ য়োৎলদুনা।

মহাক্না তৌবিবদু ঐদি মঙলা তাইবংলা খঙবা ঙমশিল্লক্রে। মঙগা তাইবংগা ইতোৎ তোৎশিন, ইযান যানশিন্নখ্রে। মঙসু মাল্লি। তাইবংসু মাল্লি। অনীমক অমুকসু মাল্লক্তে। তৌফম খঙদে। খনফম খঙদে। বপনীংলকই। খাঙমদনা কপথোকখি ঐ।

মহাক হেন্না শাথিবক্রে। ঐখোয় অনীবু অনাবা হংবা লাকপীবা ঐখোযগী ফনবতা হায়লিবিবা, খুৎলায পাযবা শকখঙদবশিংনা ঐখোয অনীদা চৎলমলিবা মীওইবগী লৌচৎ নত্তবা থবকশিং অদু যানিংলবা উৎতুনা রালৌ পুকলৌদনবা থেমজিনবিবিবা মীশিং অদুদা ওনশিন্দুনা যু চৈবা হৌবকই। লাউ খোঙদুনা তান্না তান্না মখোযবু চীক্কে হোৎনলকই।

তৌফম থাওবা মহাক্কী থবগ্ত তৌদনা ঐনা মখ্যাং কোন্দুনা তৌগনু হায়না খাম্লে। পুন্নমক অবেম্না ওনশি। মহাক্কী খান্নোম নুড ওনখ্রমালে। মহাক্কী বাখল হিংচাবা ওইখ্রমালে। কবিনো ... বিসি বা? বাখল শোইরোম্লকই।

মা অদুক যান্নদু কিদুনা লোয়না চেম্মখ্রে। ও শংবমকসু মখোয যাম্না শাথীনা কনখ্রগনি।

লোনাক মং ভাবা চংজা চপাবা অবা অনা লেংগ লাযবাশংগীদমক্তা। বাজবা লেকায খুনগী চ ওখাংনবা হোৎনবদা মাওজিন খাদুনা অঙম্বা মতেং থানদা ওইববসু থাদুনা লাকখিবা থৌগী মনপ তাম্নদুনি কোনওসে।

মফম মবা খুণ্ডদনা, মবোল মবিস্ শুদনা কোযলাউ লাউদুনা, চোং সংল্লম্বদু ইখা থাজদনা তুমিন লৈখি। বাবমালে। মাঙোলগী কাচিন্দা মঙক্তু শুজিন্দুনা খ্রো খ্রো নাখোক্তুনা তুমখ্রে।

ঙাইহাক পোৎথাবিঙৈসিদা ঐ যুমদা চৎলগা মখোযগী ইমা পাবুং তামোখোযদা লাযবক থীনবা খোদোকসি পাউদমলুগে কবি তৌসিগে খন্নকুগে নীংলকই

ঐনা যুমদা চৎখ্রিঙৈ মহাক কবিওম্বা মীকপ থোবক্তুনা হৌগৎলক্রবদি ? অতোপ্পা হেন্না শাথীবা শা অমা অমুক ওল্লক্রবদি ? নৎএগনা তুম্না হৌগৎলকপদা মী ওইনা হান্নগুম অমুক হৌগৎলক্তুনা অউ অউবা মী মখৈ পংহাৎতা হাংলবদি ? কবি কবি ওইববসু যুমদা পাউ অসি পীকব্বা হাযবসিদি যাম্না তঙায ফদবা ওইবনা ঐ মখোযগী মযুম তম্না চৎলম্মি।

সুমাং অমদি মাঙ্গোলদা থাউমৈ ঙাল্লা থাংগৎতুনা মী য়াম্না তিন্দুনা লৈরম্মি।। ইমুং মনুংগী নুপী অঙাংশিং তেংথা নাওইনা কপ্পা লাউনরম্মি।

ঐনা খল্লকই— ঐনা তমগে হায়দুনা লাক্লিবা পাউ অসি হান্না তারমলেদনা। তারমদবা ওইরগনা অতোপ্পা নুংঙাইতবা থৌদোক অমসু ইমুংসিদা থোক্লক্রা?

লাঙতক্লবা রাখলনা চিংদুনা প্রপ প্রপ চঙশিল্লুই। সুমাং মতোন্দা লেপ্তুনা লৈরম্বা অহল অমদা হংলুই— খুরা কনা করি তৌবা য়াওরগে? ময়াম তিল্লিবসিবো?

অহল অদুনা মথক্লাই য়াম্না নুংঙাইতনা খুল্লকই— করি হায়গদৌনো খঙদ্রেদা। ইবুংঙো তোম্বদু ঙসাই নুমিদাংব্রাইবম মাগী মক্লপ অমগা লোয়ননা মখা লৈকায়গী। ইবোহল খোয়দা কোয়খোক্লকুনি হায়দুনা চৎখি হায়ব্রা। খুৎলায় পায়বা শগোল তোংদুনা লাকপা, শকখঙদবা ক্যেমোফ্লেজ শেৎপ। মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমলে।

ওম্বোক্লা নুংঙাইখিদ্রে। তোম্বা হায়বা অঙাংদো মী অমদা অকায়বা রা অমত্তা হায়বা হৈজবা মী নত্তে। মহাক্তসু নৎত্রি। মহাক্কা চৎমিন্নখিবা থাংজম লৈকায়গী ইবুংঙো অমদুসু হোস্পিতালদা য়াম্না কন্না লায়কন্নবি। মহাক্কী ফিভমসু লুনি হায। ❏

বঙ্কর

নঙবু নযূম লৈবি হায়বকাসি কাউথোকখ্রববা? যূমদা মতম চানা হনজিনলক্কনি খল্লক্তবসি কযাদি কুইবে? মখোয় ঐখোয় হাৎনদ্রিঙেদনীনি।

নম্মাদা লৈবদু নুংঙাইবম্মি। সিফাই লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা হৌনদে হায়দুনা নপানা যামন্দবদগী মণিপুর যৌবকখিবনি। তৌববুদি মতম অমদা মণিপুর ঙস্থোক্লা নুংঙাইবা লমদম অমা ওইবম্মি। কুইদ্রি। চহী খবগী মমাংদনি। লৌফম লৌফমদা থোকপা ফৌ-চেঙ, হবাই-চেঙবাই, পান মাইবেল অমত্তা যূমদা পুনকপা নত্তে। লৌফমদা লৈবা লৌশঙশিংদা চহী চুপ্পা অদুম থম্লবম্বা ঙাক্কনি। কনা অমত্তনা কবিগুম্বা অমত্তা লৌনবমদে। চানীং থক্লীংবা লৈববসু অদুম লৌদুনা চানৈ। কবিগু হায়নবমদে।

হৌজিক্তি কযাদা ফৎনদ্রবা? কাঙলুপ কাঙলুপ মমিং থোন্দুনা নাকল নাকল লেপ্লে। অদুদা থাংনা যাম্লমলে। অদুদা নোংমৈনা কাপ্লমলে হায়বসিদনা চৎনবী অমা ওইবে। মতমসিদবু চৎথোক্কদবা মফমসু হায়বমদা, মতম চানসু হল্লক্তা তৌবিসিবু কবিগীনো হায়বা? নপা অদু লৈজবল্লবদি নঙনা ঙন্না হনজিনগে হনজিল্লক.

থেঙনা হনজিনগে হনজিল্লক তৌবিবসে যাবমগদ্রা হাযবা?

মৌনি হাযদুনা তৌবিসিনা মবোল অমা শাথিবিবা। থবক ইনখাং তৌবসিদা খব তপ্না ঈংনা তৌ হাগনসিমা যাখিদ্রবনি। অথু অকাইবুদি নংই হাযবনু নোংমদি মতোমতা তুশিন্দনা মবুক মনুংগী অচৌংশে মথবায মাঙবা শোযদবনি

ভিলেজ ক্রাইযাননা লাউককই ঃ নুমদা পুং তাকক্কী মতুংদা খুঙ্গং সদা কনাগুম্বা মীতোপ অমত্তা চঙবা যাদেই। কনাগুম্বা খুললাম্লকপা মী যাওববদি দিযেন্স ফোর্সতা পাউ হন্না পীশদবনি। দিযেন্স ফাসকী শযাবা যাওবনা মীতোপ অমত্তা খুলসিদা লেকহন চাহল্লম্বা ইমু অদু চে শ মও কনবা অনগা লুপা নীংশিং অমগা ফাইন তৌগনি। অদুগুম্বা যূম্বু অদং ... ঙং। লৈচৈনা তাবকসু ফুগনি। অমবোমদনা যেক্লবশি না লান্দবক্কদৌবে হাযবগী অশংন পাউ মাওজোননা। পীবা ওম্বা মীশক্তা লুপা চামঙাগী মন পীগনি নত্তদুনা খুনসিগী অবোনা মথপশি হপানী যেক্লবশি দা তাকথোক্লুনা খুলাসিদা লান্দাওন্নবগী পোবম শীনবা যাওেম্ব মীশক অদু থাঙনা মখৌবী উত্তো ককুণা শিবগী। চেবাক প গা।

অহীং অমা অনাদস্ নত্তনা চঙক যাম্ব অহী সি কদাহদ ... নাগা ... কান্নবা থবক বাদ তৌবিবগে কাযবা নাহ বহনগা হনজাল্লকপা হাদ চোকথবেণা বাবেনা ডাক হাযদুনতা লে। কবি শুদ নাবিবানা ... ফাদ হাযবকাদু চাবব্রা নংএগা ওও বাশিংগা তিঃ দুং। ওও লমচৎ চংপদগী বাখিনবা হৌজিকী মতমগী লেশাবা মৌনহাশিং অসিসু ইকাযবা ওম্বোক্লা খঙখিদ্রে। নাপী অঙাং লৈবা নুপানি হাযবগী বখলণা ইতো তৌনদ্রে

যূম অসিদা হেক হনজীল্লকপণা ইস্তবভিযু বাদকী মেম্বরশিংনা কেন্দিদেৎ অমদা হংবা বাহংদু মঙাই ইমাণা নঙগনা হংলিবা। কবি চাবি নবগ্না নুপী কোযবিং কবি থল্লি?

নখোযনা হংলিবা বাহং মযাম অসিদি ঐনা পাউখুম পীবা ঙম্বা বাহং অমত্তসু যাওদে। ঐনা যূমদা মতম চানা হনজিল্লক্তবগী মবমদি নখোযনা হাযবিবশিংদু অমত্তা নত্তে। ঐ যূমদা অসুম লৈথোকপা যাদবগী মবম লৈ। নখোযনা থল্লিবা শেবান তুবানবা মযামদু ঐ অমত্ত তৌদে।

ঙসি অহীংসিমদি কদাযদসু চৎপীখ্রনু। হাৎনশুনবা মবকসিদা ঐখোয যূমদা

লৈফম খণ্ডদে। তুম্বা য়াদে। চৎত্তবা যাদে হায়রগনা ঐবু হাৎতোকপীবমল্লগা চৎপীয়ু।

কবিগীনো নমীৎকাদু ঙাংশং হেক ঙাঙবমখৈ যেংবীবকইদুনা ? ফুনিংবনা নখুৎ অদু মবেং মবেং চৎলবিনি। হাযজবিবর্সিনি। খব ফুবমল্লগা চৎখিবদি যাবরোই। হেক্তা হাৎতোকপীবমলো হাযবিবসিনি। নৎত্রগা কদাযদা চৎলিবনো হাম্বদো তশেংনা হাযদোকপিবম্মু।

ঙসি অহিংসমদি তঙাইফদনা চৎলুদবা যাদ্রে। (শাওনিংবদু [illegible])

চৎপিখিবা যাবোই হাযজাবিসিনি।

ঙসিদংদি চৎলুখিগে।

কবি অকবা লৈবগে? চংতবা যাদে হায়বিদুবু। [illegible] ওঙ [illegible] চৎপদুরা? (কপ্প কপ্প)

খুলগী নহাবোল খব চঙলকই। মহাকপু কৌনা [illegible] মর্পল্ল। [illegible] তবমদে। মখোয মযাম মনী মনী [illegible] অতাংগী [illegible] চজাক [illegible] তাখিবা হাঙনা ওদগী মমিওই শামিওই [illegible]

মহাক মকোক [illegible] শাহি নুপী অমনা মমীৎ [illegible] নো কপ্রগা নহাক্না [illegible] অমা খঙবা [illegible] নুপান [illegible] খোক্কদগে? মাগী নুপীনা হায়দুনা চিংনদন। মহাক্না [illegible] অসি [illegible]খোক্রবদি লাইবক থীবদগী। [illegible] হাউ [illegible] নৈনা [illegible] নৎ বগা। [illegible] পুম্নমক [illegible] সিংগী মখক্তা মহাক্কী নুপী অসি [illegible] মহাক। শাগৎগা [illegible] নুপীগী শাগৎগা হৌজিক হৌজিক [illegible] হাযবিবনি।

বক্কব খুদিংমক [illegible] শীজিন্নবা যাবদ্রা?

শীজীন্নবা যাবা হাযববু হৌজিক হৌজিক [illegible] যাবা [illegible] লৈববনি।

ফবে অদুদি নখোয মযাম নফম নফমদা হনখ্রো বক্কব খুদি গী অবাৎ অপা, চিৎথ-নাম্বৰা করি লৈবিবগে হাযবা অরোইবা ওইনা অমু [illegible] যেংখিসি। নখোযনা হনখিবদা সেক্তব লিদবদা বক্কব নম্বব তরামঙাদগী মী অহুমদং খুৎলাইগা কোন্ননা লাকতবা য়াদে হাযবম্মু। মখোয লাকত্রিফাওবা ঐ মফম অসিদা ঙাইদুনা লৈবমগে।

হৈমা। কবিনো নঙনা তৌবক্রিবসিদে? মমখ্রবা অহীংসিদা শোঙখ্রবা চুজাক মবকসি ফাওদুনা কবন্না লাক্রিবা? নবুক ইকং হেক কংবমখৈ।

থবক চিল্লিদা হাযবদুদা চিল্লিবা থবক্তু কবিনো খঙনীংমন্দুনা লাকপনি।

মফম অসি কবম্বা মফমনো হাযবসি নঙদি খঙব্রা?

হৌজিকপুদি খঙজবে।

খঙলবদি যাম্না থুনা যুমদা হনখ্রো। মযাম লাক্রনি। নঙনা অশুম্না ঐগী থবক্তা অপনবা পীববদি ঙসিদগী হৌনা নঙ ঐ পুম্নিগী ওইনা উন্নবা ফংজনোই।

ঐবু লান্না লৌবিখিনু। ঙসিদগী হৌনা নঙোন্দা কবি মবমগী যুমদা মতম চানা হল্লক্তবনো? কবি থবক শৃবিবনো? কবি চাবি থক্লিবগে হাযবা বাহং অমত্তা হংদবরোই। হনজখ্রগে। যুমদা খবা খবা ঙন্নদি লাক্লবা তৌবিযু চৎতবা যাদবগী চৎলবস

* * *

অহৌ। ওমা হেক্রুনশিংনা ইখাও ঙাওৈদনা খুলগী ডমখৈদা লৈবা বঙ্কবশিংদা 'দউতি পুবা নহা খবা হাৎলগা নো মৈ লৌখ্রে। দিকেন্স কোর্সকী নমাংদব খেম্বুংগী লমজিং লমতাক মখাদা খা কয়া চঙনা শাখিবা বঙ্কবশিং লোয়না থুগাইবন্রে।

নমিৎ খনবিগী মমাঙনা মচা নপা অমা পোর্কখিবদা ওইখিবা খম্বুংগী নুপীসু খুলগী লোংচুপথংবদা লৈবা উগোক্তা মখোঙ মখুৎ থৌনীনা পুনশিল্লগা, মচানসু ফিনা পুনশিল্লগা শিদুনা লৈবমলে।

দোজবনা পীবা পোষ্ট মোবতম নিপো ওকৌ মঙৎইন্না মতান মী খননা ফানগা মখৌবী উতোং ককথৎত্না হাৎলম্মনি হায। ┘

লান

কবপ্পা কাঙলুপ্পা কনপ্পা কাঙলুপ্পু তুম্না হাৎপা ঙমগদৌরিবগে ঙম্লগনা কনি মতুংগী লানঙম ফিবাসনো শিখ্রবশিংগী মোংফমদা য়ুংগদৌরিবনি।

পেট্রোল জর্বাকন পুদনা লাকপশিংবুনা কাদ্রগা ঈশিং বার্নতিন পুদনা লাকপশিংবুদি কাবগা লোক অপুন্না লোম্পনা থাদ্রিনগনি।

ঙসি তোম মিনিষ্টর লাকলম্বা অদুদা লৌরৈ, মাংমে মক্ক পাম্না পীবমলে। ঙসি অহীংদি তুম্বা ফংলরোই।

ঙবাং বসতগী চিংথহৌবা মী তরানীখোইগী মনুং দা মঙাদি ঙসি নোঙাল্লকপদা শিনা ফংলে। অতৈদি হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদ্রি।

কাঙলুপ মশেলগী লান কনশিল্লকপদগী মচানুপানা হায়রিজে— পাবুং ফিভম অসি ফবক্কদবা মান্দ্রে। মতম খরা য়ুম থাদোক্লগা কদায়দনো শাফগদবা মফম অমদা চৎনবা তৌসি।

মচানুপানা হায়বদুগী পাউখুম পীরকই— নমা নচা নখোয় ময়াম নখোয় খুরাতোনগীদা চৎলো হয়েংমক।

পাবুংদি ৮

নখোয় হান্না যৌন্দমলো। ইপাগীদি থোইনা খল্লুনুদা। ঐঙোন্দবু কনানা কবি তৌবক্কনো। নহাসু নখে অদুগী মথক্তা খঙন চান্নদবসু অমত্তা লৈতে। ইংখোলগী অকৌযবদা খাবিব' শন্নসি কাবক শাবক্তুং শেমজিন শাজিল্লমগে তৌবনি। মত্তম চঙগদবা নত্তে। নোংমা নীন্নী বানি যাম্না থুনা লাক্কনি।

মহাক্কী নুপী, মচানুপা মচানুপী অনীদু হিপ্না চানবা ফীবোল, চেঙ চাক খব পুবগা কাঙলূপকী ইবা • দন। মনাওনুপা অতোনবগী খুন্দা চৎখ্রে।

মহক্কী বাখলদা কাঙলূপ মশেলগী লান হাযবসি হকচিন্না লৌবা ঙমদে। ইচম চম্বা বাখল ফাওনবা নাৎপদগী খোলবপা খৌদোক মচা অমথকনি হাযনা খল্লি।

মহাক খুঙ্গ অসিদা পোকপনি। যুম অসি মাগী মমানি। ইংখোল অসিনা মাগী মপানি। তশেংনা, ইংখোল অসি লেবগা যুম তসি শানব হাংনন্দা নমা মপা অনীমক্ক পুসি ত খাম তমদি চংশিনখিবনি মবম অদুনা মহাক ইবা সনা শক্লবলবস যুম আস ৮ ( ) থুং। ম নবনি।

চন্না যাম্নে কাঙলূপ শনামক্ক যুম্সিদা খুন্দা নৈতাংমন্নবকপা কনন্না মতোন্দা নাৎতবা তৌবক্কনি খাজনি ডাং ঙহন্দে। ঙসি লাইবিব লাইশ হৌববনি, অচৌ অশা, ঙই নবনি হযাদুনা লৈবন ন শাসিনা মঙই খুদ নহান্না মংপ দুনা তাকপী তম্বিনকখিবা চাঙনা খুন আসনা চাঙখৎনবা হোৎনদা মহাক মাংজিন থংখিবা খুনডা খদিংনা মং কম্দু কাউথোকপা ঙইথোক্তে। মখাদা নাংনা মহাক্কা মনী-মতা, মচা মমা মকপ মপাং তাঙনি। হান্না খঙ্গা খদিংনক্প থাজে। তশেংনা নুংশিজে

অতিযাদা হেলনাপুন ৮২ ম নব মনী পাইবকই। লম্বাদা সিফাইগী গাবী পবেং পবেং চৎলি লৈবন কোনশাং খুদিং সিন্দইনা পুমম মই

দিল্লিগী অচৌ অশাং নাক্কদৌবি চিফ মিনিষ্টর মাগী কেবিনেট কালিকশিং চীফ সেক্রেটরি সিভিল অমসুং সেক্যুরিতিগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং কাঙলূপ অনীগী লূচিংবশিংনা লোযননা শান্তিগী বাবী শান্নগদৌবি। শান্তিগী চাকলেন চামীন্নগদৌবি।

লম্বী লমজাওদা লেবক্ষ মীপুম খুদিং যুম যুমদা চঙনখি। নুপী অঙাংশিংনা চিবোন চিবোন ডাঙনবাই— চসিদি চাক চনসি। শান্তিগী বাবী শান্নবা নুমিৎনি।



শান্তিগী চাকলেন চান্নবা নুমিৎনি। নহাল হোম মিনিষ্টর লাক্রম্বা নুমিৎকী ...ং অদু নীংশীংনবকই। শান্তিগী চাকলেন হেক চাবা লোইবগা যুম যৌবা ... নোংমৈ কাপ্পবখি, যুম মৈ থাবকখি।

মীওই কযাগী মথবাযনো চুংখ্লাবশিংনা ঙসি অর্থাৎ অসিদা লৌবা পাল্লিবা? খাখল চোইববা, হকচাংগী ফিভম শোইনাইববা অমদি মীবোনবী কযাগী পুক্নিনো থুপচনবিবমগদৌবিবা। লান অসি খাম্বগী মিংদা সিফাইশিং অসিনা নম হাদুনা ফম্লানবিবমগদৌবিবী লৈশাবী নৎএগা মৌনহানা মশাং কযানো?

ঙসি শান্তিগী মীফমসিদা অদো অশাংশিংগা খুৎ শোক্কনবা মতুংদা খুবাক প্রোক প্রোক খদুনা খুনগী নিংথৌশিং, খুল্লাকপশিংদা খুদোল তমখিবা কম্বল অওাংবদা যোমশিল্লগা নোংমে কযানো, নোংমৈ মধ কযানো ইকুম ওইনা চাক্লিবা মৈবাসদা লংশিংমগদনাবিবা। নোংমৈ লেনবা লুপা লাখ কযানো থাউ ওইনা চাক্লিবা মৈবাসদা চৈ জলমগদৌবিব।।

হে ভাইবগী মপু। পুন্নমকপ ঙাকপী শৈনবিনিনা হৈবৎভো। চানবিদুনা মাংনা শাম উংনেবিবা নাকোল তশে তশে চাজবিবা খাদংমক অসি অচুম্বা অমত্তা ওইহনবিবগনু। মচুঙগী মতুংতা চুমদবা ওইদনা ডাওু, ওইহনবিয়ু

মমাও খোংদা থাম্লকই থোঙ হাংদোক উ হাযবকই অই, অথেংবসিদা কনা ওইবিগনা হাযবপুদি খল্লুই। থোইনা চিংনবদে। থাঙ হাংদাক্লুই। মমীৎ মমায ফিনা খুমজিনবা মী অঙ্গমখক হমুং চঙলকই। বা অমগুা ডাঙনা তৌগিদে। থাঙ পাযবা নুপা অদুনা মাংখাদা থাঙনা হেক্তা যাম্লকই। অমুক অনীবক যাল্লকপা থাঙযান অদুনা মহাক্কী মবুক মপাগী মোজা ফুবিৎত্তু শাংনা থবৎ কবখি। শাংলবা থাঙফম অদু মযা লাউনা কাথোবকই। নুপা অদুগা লাকমিন্নবা অমদুনা অমুক নোংমৈনা দং দং অনীবক কাপসিল্লকই। লেপ্পুনা অদুম লৈবা ঙমখিদে। লোংনা হাইথখি। লমযাযদুদা। শাংলবা মবুক্কী থাঙফম অদুদগী থিবোং থিবিন্দু ওবো-বো হৈদোক্কই। লেমাযথক্তা পৈদুনা লৈ।

অশোক অপনগী চৈনা কবিমতা ফাওদবা মীশক অমওম মখুৎ অনীনা লৈমাযদা তাদুনা লৈবিবা মীচ্চন পীৎ পীৎ হুনবা, তিগ্লোকুম মবেং মবেং চৎপা মথিবোং মবিনবোং অদু তহা তহা থুবেমখৈ খুনগৎলগা মবুক মনুংদা হাপচিন্নবা কন্না হোৎনববকই।

রাখলদগী থবক্লা মাঙজিল থাকবা মখোইদু পাঙথোকপা ঙমদ্রে। নোংমৈনা পানবদগী হিকথববা চোকথববা মপাম্বোম অনীদু অশিবগুম তাদুনা লৈ। ঈখেংনা লুপলবা লৈমাযথক্তা।

থংনবা মীকুপ্তুদি মশিং থিঙমদনা কাপলকপা নোংমৈগী মখোল, নুপী অঙাং শিংনা কপ্ন লাউনবগী মখোন, হূর্যশিংনা লাক্লা লাক্লা খোঙলকপগী মখোল পুন্নমক লেঙ্গোন্নবগা মাগী নাকোংদা পুক্লপ চঙশিল্লকই। মতমশিদা যূম মৈ চাকখৎলকপগী মৈখুনসু মাযকৈ থুঙনা ইমম মমশিল্লকই।

মবী মতাশিং, মব্দপ মপাংশিং, মনাও নুপাগী যমদা লানজেনখিবা মাগী নুপী অঙাংশিং, হৌগৎ কাঙখৎপা ঙমদনা লৈমাযথক্তা হিপ্লিবা মহাক্কী মনক্তা লোযনা চঙলকই। যূম থাদোক্লগা কদাযদনো মফম অমদা লানজেনখ্রসি হাযববগুম তৌই। মখোয মযাম্না চৌদোক্লকপা বাফম অদ তোগ মাইগী পাউখুম অমত্তা পীরুদ্রে। মহাক্কী নাকন্দা লৈমাযথক্তা ইচাই চাইনা তাদুনা লৈনিবা মশাগী থীবোং থীবিন্দুদা চুমদ্রিং যেংদুনা লৈ। ❏

নোংমাইহিজিং পোনফম

মপুরোইবগী মংঙন্দা লৈরিবা চৈফম মযাম অদু উবদা ইপা পাখংনা হায়রকই -- ঙৈমা। কনাদা কবি ঙাঁকপদগী অশুক থীনা ফুবক্লিবা।

ইশঃ চৈফমশিং অসি লোয়না ঙ অশিবা চঙলেনে ভৌবিসিদে।

অদনমিনে এৈনা নংবু ঙশাইদগা ঙাগা খবা য়েরো লাউ হাপনা কৌনিবসে। খুম থাওগনা ব্রাং ব্রাং শৌনা লুমংথাক্লবা ঈশিং মনিলনা পুমচোৎ চোৎলবা ফো ফোং শাবনা ফিবুল অদুনা মনঙন্দা কিং কিং নহা হৌবকপদগাদি কোয়লাউ লাউরকই। ফ্রিং ফ্রিং চোংলকই। ফেবেং ভুবেংবা অকাম অপেৎকি নাহৈ নাঙানা কা অদু পাক থনখি।

মপুরোইববু কনানা কবিগীদমক অশুক থীনা ফুবক্লিবনো। হায়বা খঙনিংলনা লাউতক্লরকই। খঙলগাস কবি তৌগনি খঙনবদি নত্তে। মাম্নাদি খঙানংই। হংলগদবস কিজে।

খঙনিংনা হংলুনি। খোঙ্থি চাগনি। খোঙ্থি চাবতা নঙনা কিন নৎ ভ্রগা খুবাক ফাওবা চাবস যাই। হংগে খন্দ্রে। মখা তাকুদ্রে।

মহাক্কী নুপা অদুক যাম্না ফত্তবা নত্তে। যবুদি খব অদুম পাম্মি। য়ু থকচিল্লগা, মীগা খৎনা চৈনবা, ইমুং মনুং মহি লাংবা থবক অমত্ত ঙসি ফাওবা তৌখিদ্রি।

তম্বা ঙমদে নুপানি। শোয়বম্বসু যাই। নোংফাদোক্কি। মবাল ফম্নমক লেপ্লবসু, কনানা ফুরকপনো? খজিব খবাক্কী চৈফমদি নত্রে। খবদি হেনমল্লি, রাবোই। শাউনিংই। মথবায যাম্না নুংঙাইতে। ঙম্মি হায়দুনবু ঙাকপিবা যাবা মবাল ওইরম্বসু মযাই। ঙাকপিবক্তবগীদমক বপ্রীংবা অমা যাওনা পেন্দে। মতোমদা খনজবকই — মীনা অশুক থীনা ফুবক্লগাওবা মাদি করিমত্তা ফুহৌদ্রববা? মখুৎ অমুঙফাওবা হনবা ঙমহৌদবা ওইবম্নবদি মথশ্মোয়সে প্রোক প্রোক হেক চাক্লিনিদকো।

নোংমাইজিংগী পোনফমনি। মাগী কাকমান চেপচিং পুদুনা লুপা লীশিং মঙা তরুক্তি শোয়দনা ফংলনি খন্দুনা লাকখিবনি। পুংফম খেনফম ফজনা য়েংলগা শেগগী কাওলোন্দা লেৎতুনা খোঙ শাম্লনখিবনি। খম্লুবগা চান্নবম্মি। মা ওম্ভোক্লা যাম্না তিল্লমখ্রে। মাইকৈ শুরে। ফই।

মাক্লং খোঙশা অমসুং কাকমান চেপচিং অনীদু পোনমধু চংলকই অবাওবা লেশলব অনীনা নীং মনুংদা চংলকপগুম।

মতম মাঙহন্নবা তৌনদে। হেক চংলকপগা মাগী মাগী হৈনজবা পোতদু শেম্লবকই। মঙকাশিংদু শাংদোববকই। তিংখোবকই। ফদ্রৎ ফদ্রৎ কাউনবকই। বং বং ফোইনবকই।

কাকমান চেপচি অমসুং মাক্লং খোঙশা অনীমক অফাওবা ঙাক্তনি। মখোয় অনী থেংনবসু ঙসিগী অসিনা অতানবনি। অদুনানি ঙসি মী অসুক যাম্না তিল্লিবা।

মাক্লং খোঙশাগনা কাকমান চেপচিংদা ফম্লপ ফম্লপ পোংসমলগা শেৎ শেৎ কাওশিল্লকই। চেপচিং খবো খবো ওন্দুনা শাঙই। নীংখেননা তুর্শিম্লি।

অউবশিংগী মনক্তগী লুপা যাংখৈ চৎপী, চাম্মা চৎপী মযাম জ্বাই জ্বাই হেথনবকই। ফম্না যজংগা বাংই পৈশানা।

খোঙশাংগী এতেক্তা ঙাকথোব ঙাকশিন তৌদুনা খাঙলম্বা কাকমান চেপচিংনা কদোমদগীনো হুৎ লৈথোকখ্রগা খোঙশাংগী যেৎথংবা নাকথংদা ফৎ ফৎ অনী অহুমলঙং নোৎতুনা পীশিনখি। খোঙশাং মমাযনা শ্রি শ্রি শিৎতুনা খাঙই। কাকমন চেপচিংগী খুকাওদা পেনখ্রবা কাঙবু অমনা অমুক য়াংখৈ চৎপী, চাম্মা চৎপী, ময়াম জ্বাই জ্বাই চাইথবকই। লৈ চাইথরকপগুম ফজে। যেংবা নুংঙাই।

পৈশানা লৈমায়দু পুমঙৌ হেক ঙৌই। ক্লাকমান চেপচিংগী মথৌনা মরিংজেন অমদি কাওরকপা খুকাওদু উবদা মোমোন নোকই। নেম্লম্বা আশাদু জিরি জিরি ব্লাংখৎলকই। মদোম খল্লকই— তারিবা শেনফমসি অঙাংদি নত্রেসে কুন শুনিং শুমাদি শোয়দ্রেসে।

অদুক হাক্লা পঙনুং নুংঙাইরুববুদি য়াদ্রি। মাক্লং খোঙশাংগী মতিক মগুণ মহাক খঙদবা নত্তে। য়েন কয়ানো মহাক্লা মঙক্তা নেৎলগা শেৎ শেৎতুনা চাখিবা।

হেরা! ঐগী চেপচিংসু অনোপ্পদি নত্তেদনা। কাওনবদা ফাওরবনি হায়দুনা লাকখিবা য়েন কয়ানো মহাক্লা মমীৎ কোৎলগা চাখিনদো। অহুম মরিতগী পা নৎত্রবনি।

তাংদাংবা অমদি খঙবা ঙমদ্রিবনা রাখলদু পোথাফম খঙদে। পরীক্ষা হায়দোকখ্রে হায়বা পাউদি তারগা খবরদি উদ্রিবা মইহেরোইদু মঙায়। মীহুন্দু তিং তিং চোংই।

ঙশায় মখৈ পৈশা থাদরকপা, ভুম্বরকপা মীয়াম মবক্তুদগী নোংমৈ পায়বা অনীখক্লা কনা কাওনরিবা মাক্লং খোঙশাং অমদি ক্লাকমান চপচিং অনীদু মঙক্তা তাপ তাপ পায়রগা থাঙ্গৎখি। খুনুংখ্রংনা শেন্দাং লাকপদৌনা লাকখি।

মখা তারকই— কনা অমত্তা লেঙবা য়ারোই। অয়াওবা পৈশা পুম্বা থাদরকউ। লোৎশিন থমজিনবা য়ারোই। চেক তৌবদা পৈশা য়াওরম্লবদি নতে চাজরোই।

ব্লাহৈশিং অদুগী মতুং ইল্লকই— লুপা মঙাচৎপী, অনীচৎপী শেগায় তুগায়বশিং য়াওনা ওরো রো ওথোক্লরকই। মাগী মাগী ফুরিৎখাওদগী।

অমুক্তসু নোৎশিল্লকই— মপু অনীমক য়েন কাওনবগুম কাওনগদবনি। ফিরোল লোয়না লৌথোক্লগা পোন মনুংলোমদা চঙলকলো।

মখোয় অনীদু ফৎ ফৎ কাওনবা হৌরকই। তানজাদুদা মীরক খায়দুনা, চৈতুপ পায়বা নহা অহুম মরী চঙশিল্লকই। য়েন কাওনবা মান্দে, তৌশিন্নবা য়ারোই হায়দুনা ফী থোংদ্রবা মখোয় অনীগী মনঙ্গন অদুদা শেৎ শেৎ কম্থরকই।

চৈনা ফংলবদা মখোয় অনীমক মশা শাগলশিংদু চেপথরকই। য়েন কাওনরমদাই মতৌগুম। মখোঙশিং অদু চাওকান চাওকান অমুক কান, চগুপ চগুপ অমুক থাং, মঙকশিংদু তিংথোক শাংদোক্তুনা য়েন কাওনবদৌনা তশেংনা কাওনরকই।

ব্লামনবদগী লেপকক তৌরুই। কাওনবা লেপ্পা য়াদে। নঙ্গলদা চৈগী মখোল

তেক্তা ত'বকই। শেৎ শেৎ।

কাওনবিবদু হেন্না হেন্না অশেংবা মাল্লকই। অওইবা ওইনা কাওনবকই। মথরাই খুবাক্তা হাপ্তুনা, অবৈবী থাদুনা কাওনৈ। অমসু অমসু পুনত্রে পুনত্রে তুনৈ।

যেন অনী কাওনখিবদুবুদি মপু অনী কাওনবদুনা হেন্না মানসিল্লকই। যেংবদা নুংঙাইবা হেল্লি। ঙশাইগা হৌজিক্কা মান্নদবা হাযববু যেন অনী কাওনবিঙৈদদি পৈশাদু চাইনবও, লাউবু লাউবও পূন্নাঙ লাঙলম্বনি। মপু তানী কাওনবা মতমসিদদি মদু নত্রে। কনা অমত্তা পৈশা চাইদে। লাউখোঙদে। মহৈ মহৈ তুমীন তুমীন লৈনৈ। চেক মোক লাউদে।

সোমদা যেন মপু তানী কন্না শেৎথনবিঙৈ শবক্তদা কাওনবা যেংলিবা মীযাম অদুগীসু চৈদ্ শবক থুংলাকই। মথং মথ যেল্লকই। শেৎ। শেৎ। পোপ। পোপ।

ঙাইহাক্কী মতংদদি মযামদু মযুম মযুমদা হনখিবদা ভাবা ওইখিনবা পৈশা খাক্তক খজিক হেনাখনতম তৌখি। মহে মহৈ হন্নখি। মযুম মাযকৈ পাংনখি। চযামাশ অদু পুদ।। শাবি শাবি। চক চাক লাওবা চেনগা যাম।।

যক মথও। উপ্রার। হীপ্পুনা মখদাংনা মোন্দা শৌবদুনা মাগা। পানা নম্লপা শাবব' ফিবুলগী মৈশা খাঙলিঙৈ মবক্তুদা কাকমান চেপচংগী মশাও মশেম মবাং চৈনবই। মমাংদা কাতু কালং চৎলে। কাওনবদা শেকখাব শেত্রি শেপ্পিবা মাখোঙ অনাদু খাংলদুনা।

মচাশিংদা ফাওবা পীজ পীথক ঙমখিদ্রবা লংকোই শংসোম যেকম অমসুং মখং কযাগী হবাইশিং পীজ পীথ্তুনা কাকমান চেপচিংবু যোকচ থাকচবকখিবনি। মপাঙ্গল কলহম্নকাখবনি। মীনা চক উবদা যেন অসিদি ফজখ্রেদা হাযনবা তক তনানা থমজবকখি নপী মঙাংনালকপদ দোক্তুন কৌনা চৎপা তনজববসু কাকমান চেপচিংনা কাওনবদা ঙিঙং শোক্রক হৎলকপদদি খুদক্তা দোঙনদা পুখৎতুনা লাযেংজবকপনি। অদক লনা, চায়া থমজনকপা কাকমান চেপচিংবু মথৌবিদা তাপ পাযদুনা মনিং নমাঙ ওঙ্খোক্তুনা থবাক থবাক যান্দুনা পুাখনদু নীংশীংলুবগা মথম্মোযদু কাম্নখদৌই মহাকপ হাংতোক্তুনা চানিখ্রববা? নৎত্রগা হাংতোক্তনা তাদম থম্বিবমাখগদ্রে?

কাকমান চেপচিংবু কাডাখোকপা শুনঙম ঙমদে। মমীৎতগী মপী চদুম চদুম মোন মথক্তা তাবগ্রবদু ফাজনবা ঙমদে। ▪

ঈচেল থৈবা

লুপা চামঙা চৎপী চাম্মা চৎপী মপুন খবা নহাশি অদুগা মমাঙদা থম্লগা হাযবকই- মাসন। লাইবিরো ইবুংঙো খায। মসিদগী তেনাদি কাপগা থাংপিবমদৌ মঙাইবে। শেনগাও শঙনা থমডবা লুপা চাম্মদু মাওবা যাওজবব্রবনি।

পৈশাশিং অসি ওস্তোক্লা নানা তানজনকপনি। অচৌ অন। মখি ফাদ্রিশিংনা ওফিসতা ফম্লগা কলমনা ইনিংবা মশীং ইখ্রগা হেক্তা ফ লকপা শেনফম অদুগুম্বা নত্তে। পৈশা খবসি ফংনবা হোৎনবদা মীবা কযা তাখি। মী কয়াগা খৎন চৈনখি। যেংথিনখি। নুংশিনখিদে। হৌজিকসু নখোযনা তৌবিবিসে মীওই খবনদি হাবাওজবিবনি। পেনজবমগদৌবিবনি।

ইচাশা নখোযনা তৌবিবিসে ঐদি মাঙলবনি। মুৎলবা হাযবদুনি। নখোযসু মীনুংশি লৈমন্দবা হাযবদুনি।

চহী অসুক কুইবসে পাবুংনা লৈকায খুলগী লৈতা লাযবা কযাদা শোন্দোয চাওনা চাওনা লৌবগা পৈশা শান্দোকলি। শেন্দোয খোমগৎলি। শেন্দোযগী

শেন্দোযসু লৌবক্লি।

শেল শিংবা ওমজদব মী কযাগী মযুম ঈংখোল, পোৎ চৈ কযা কযা মমলগা মতিক মপা চান্নদনা নমলৌ লৌবিখি। লৈজদবশিং অদুনা শেল শিংবা মতমদা শেন্দোয খবদং তাবিনবা মতম খবদং হাইবিনবা হাযজ নোনজবা পুস্না পাবুংনা মরা অমও লৌবিখদে। হাযনখিবা মতম শোযবে হাযদুনা লৈত লাইবশিংগী লন থুম পুস্না শেৎতুনা লৌবিখি।

পাবুংদগী নিজনিবা শেনফম অাস মীযামগী ওইবা থবক্তা শীজীন্নবনি। লনাইগী নাণ্ডে। শেল খবসি পাবুংনা ঐশোযদা পীখোকপীবকপদা পাবুং খোইনা মাঙদ্রে হাযবা ফংনা খঙলবা মতুংদা হাযজনকপনি। পাবুংনা পৈশা শিংবা ওমজদবা মী নখাগী যুম ঈংখোল মুনবিহৌবদগী মকী মবোল যোমদুনা পন্থুংফম খঙদনা কোযচৎ চৎহ্নে। মীওইশিং অদুগুম পাবুংদি ১২কদবস্ নণ্ডে। পাবুংগী লন থুম পৈশা কযা যাম্ন শেল নৎএগা লেংে হাযবা ঐখোযনা খঙতে।

লেং লাযনশিংগী ঈ চুপ্পগা মশা মচু যবা শাবা মীওইশিংদগী ঐশোযনা শাল লৌই। মীচ লৈজদবা লাযবশিংদগী নমকু শাযদা শেদোলশিংবা ওমদবগী মীংদা মবৌ মশিং মযুম ঈংখোল নৌবিবা হাযবসি অবানবনি। শেন্দাল লন্সী অসি অাচম্বা নণ্ডে

মী অমনা মশাগী ওইনা লন-থাম পুক্কে লনগে, চাওখৎনবা হোৎনজবা হাযবসি মী অদুগী তৌদবা যাদবা মখোনি। মদুগী বান্নবদু মহাউগা নণ্ডে। নাযামগীনি অদুম ওইনমক লৈজদবা মতু শোনবশিংদগী কোল্লনা চু শুম্বওম শুমদুনা লৌবা খুৎলৌদি যাজনিংদে।

নহাশিং অদুগী বাহৈশিং অসিনি মহাক্না তাবা যাম্না হৈনদ্রিবসে। যাম্না শাওনিং লিবসে। মুকম মুকম শোল্লি— ঐগী শেন্দাল লন্সীনা মখোযদা মপা তৌবব্রা? মানা মানা হৈনজবা মওংদা তানবা শেলবু মখোযগী কবি মথৌ লৈবগে? শেন্দোয যাম্না লৌগে লৌনি লৌবোই তোক্কনি।

পৈশাবু লাযববদগী লৌদ্রবদি ইনাক খুনবদগী লৌববা যাব্রা? লাযবর্বশিংদগী পৈশা খোমগৎলিবা অস্তুমনা ইনাক খুনবদগী খোমগৎলর্বাদি ঐসু নহাম্না তৎলনিনা।

পৈশা পূর্বাদি হৈবগা শিংবদি হৈতবা মীবু কবিগী নুংশিফম থোকপগে? ঐনা মখোযদবু পৈশা পূবিযু হাযর্জাখব্রা? মখোযবু কনানা লাযবজৌ হাযবগে। ঐদৌনা

হেৎনৈ? ঐদৌনা গু নোম্ম। কন্নিগী ইনাক খুনদনি। কবিগী পৈশা পাযদনি। ঐসু লানবর্মা। শজ নোমজবা, তন্দবগা, মীগোন্দগী লৌশিনবা কনজবগনা পৈশা খবা অদুক পাযজবকপা রানি।

ঐগী পেশাশিং অসি লম্বীদা তানম্নদগী থুল্লকপা নত্তে কনাগুম্বা অমত্তা ঐগী পৈশা হাৎপা যারোই ঐ অসি লৈত লাহবশিংবু মতেং পাংনবা পোক্লকপা নত্তে। কনাগুম্বা অমদা পৈশা চামফাওবা লেপ্পা পীথোকপা ঐ পামদে। পীবসু পীবোই।

* * *

শিদৌ শবক পীথু হাযবিবা শেনফমদু কোক হেক পীথোকখ্রসিবা মখোয পাবু। পেশাবু পোকমিন্নবদু মগুায। অমুক তাল্লগা লোযবে। অদুখক পীথোকখিবদা চাবা হেন্দৌস্ নত্তবসিবু

[illegible] হাযবিবনো? শেন হাযবিসি কবম্না পোৎনো নও মশক [illegible] মী [illegible] অমা লেপা যার্বা [illegible] পেশানা তৌবা ঙমদবা [illegible] শি [illegible] পেশা [illegible] লাক্লিবসি মডাই। [illegible] যবোই নিংব্রো। পীথোখ্রবা হাযবসি পীথোকখ্রবনি। [illegible] ঐখোযনা [illegible], দকান, লৌ শিং, সনা লুপা গাড়ি, মীনায মীশন [illegible] পীথোক্লমগাবু [illegible] লৈবা ডল্লমগদ্রা [illegible] বা পঙডাঙ [illegible]। খোইদৌ যাম্না শাউবা [illegible]

পেশা। পেশা। পেশা।

[illegible] পুন্সিদা অমুক্তা ভবা সংজিদ্রিবা শেনফমবু ইবায লাযনা পীর [illegible]

[illegible]। [illegible]। [illegible]।

মখোয অসিব [illegible] হাযবসি নত্তবা অতৈ মশাং অমত্তা হাযবা হৈতব্রা? লক্কদবা ইলেকসনদা ভোত অমত্তং কাবগা মন্ত্রি ওইরৌগে খনবসে তোকপা তাবমালে। ওস্লোকপগী লোযবক হাযবদুনি।

[illegible] পাযবে হাযদুনা তৌবিবমালে. রাঙাং শঙাংনা ফজাদ্রবা। থকসি খাশিনা মবোল অমা খর্ডদ্রবা। কবিগুম্বা তান চাকুবদগী বাযেন চুপ্পীকাসি মখোযনা পাযববদি লৈবাক তাস ওস্লোক্লা বানিসে। কাবোঙচাক যুংবা শোযবোই। কনানা মবৈবাক নীংড হাযদুনা নীংলিবনো মখোযসিবো? মখোয মশেলসু পংহাৎতা মহাৎনৈ।

মখোযগী মতৌসি অঙকপনি। মবৈবাক নীংবসু মুন্নবমাল্লে।

ফনা কুইরে। পৈশা [illegible] তম্বিনক হাযজবকপা। অবিবা গ্রামোফোন রেকোদ খোঙবদু মঙায। অহোঙবা অমত্তা লৈতে। হন্না হন্না কাযবক হাযজখ্রে। মনাদা হাপ্পনী বা লৈতে।

লৈজদনা, দাউ যাদনা, ক [illegible] শাখ্রে। লাকনবা মান্নবা এ[illegible], করা তৌদুনা মঙা তবাদং তানবা হাযজকই

হোয। হোয। চুপ্প। চুপ্প। হায। যাবাদৌবগোই নী নুই। খীজানাবনি খল্লুই। মমৈথংদদি ম খাহনা [illegible] শাবকপা [illegible] মদ [illegible]িক অম, [illegible] তানগী বাফম যাওদে। পৈশা তাবিবনা [illegible] লৈনদা [illegible] লপাশি[illegible]। পৈশা থিল্লকপদা মী যাওবক্রবাদ নাইত [illegible] হা[illegible]জল্লকই [illegible] তাকাশিল্লকই।

তৌফম খড়দে। [illegible] শাগ। শাউন মনবদগী [illegible] হ[illegible] – মখোযদা পীগদনা পৈশা মযামাস পীদ্রগা [illegible] খোমজিল্লগা মগী [illegible] অমা শম্পসিবা [illegible] পৈশা ফজনা [illegible] মখোযগী [illegible], পাং অমা [illegible] পৈশাসি [illegible]

মহাক্কা খাম্বনা [illegible] অম বনা অমুব [illegible] লোযনা পায। অচুম্বনা [illegible] ওনচাঈ।

হাযজবনা [illegible] চপ মাপ্পে। কান্নবা হ[illegible]দে

অতিযাদা যেংখৎলুহ। অঙৌবা লশিং মফোলগী নোংদুম মচা মচা খবা কোযপাই পাইদুনা শান্নবমবদ হেক উকবদগী মহাক্কী বাখল অদু মচু ওনগে তৌবকই। নোং লাক্লবদি কোবীশিং অসি কদাযদা থমগদগে। থামুক্তং তেক্ত কাযদনা কদাযদনো অমদা থম্বা যাববদি ওস্তোক্লা ফখ্রনি। মীনৈবাকতৌনা কোল্ড ষ্টোবেজকাদু ঐখোয

শ্বাযদসু লৈজবদি কযাদা ফগবা?

মপুঙ মবৈ ফাববা কোবী মযামসি যোন্নবা কৈথেল ফংদবদগী শোবোক্কী নাকন্দা, লৌবুক লমহাংদা খোংবান্দা তাদুনা, পৎ-পুমদুনা মাঙলবদি লোয়বেদকো। নোংনা ফৃদিৎ ফুনা চুথবক, লেন হেক তাশিল্লক হেক্তোক্লুবগা থমফমদি হেক লৈতা, ওম্থোক্লা নুংঙাইবোইদকো।

হেবা। হৈথবকসনু নোং। তাবকসনু লেন। কোল্ড স্টোবেজ লৈজদবা ঐখোযগুম্বা লাযববা লৈবাক্তী ইনশাং নাপী, মহৈ মবোং থাদবা তাব্রা? মীবমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তা ঙাইদুনা লৈগদ্রা? খুল লৈকায পাল্লি। খঙন চান্নবশিংগী চাউব চাউববা শঙ্গোয লৈবিদনা শঙ্গোয মযামসিদা কোক হেক পৈশিন্দুনা থন্নবদি নোং মখোযসু চোপকনিদো।

লৌশঙদগী মৈখু কাবকপা উবদা মহাক্কী নুপীনা চা লোল্লি হাযবা খঙলকই। মিনি ৫ খবগী তুংদা মাগী নুপীনা চা পুবৰ্কনি। চা থক্লুবা মতুং নুমিৎ মযুম চঙদ্রিফাওবা মহাক থবক শূখিগনি।

নুমিদাং ওইবকপগা লোযননা থবক শূবা লেপকনি। ইকজাথোক্লুবা মতুংদা অবৈবা খবা হাউনা চাবগা মীকপ মচা অমা থুবেমখৈ তুমথোক্কনি। তুম্বা হৌগৎলগা টোচ লাইট অশাংবদু পাযদুনা লৌবুক্কী লমখৈ শীনবা থুংনা কাপ কাপ্তুনা যেংগনি। শন, ইবোই, হুবান চীম্থি চঙব্রা যেংনা যেংনা নোং ঙানখিবা খঙহৌবোই।

মহাক্কী ইমুং মনুং অনৌবা মশক অমা শোযদনা হোংহন্দবা যাদ্রে খন্দুনা থাখিবা কোবী পাম্বী লাখ মঙা অসিগী যেক্লবদি তীনখাক, পূকশ্রী, কোকফাই শুজাগী লাযনা, মখল কযাগী মহীক মতাং শন ইবোই অমদি হুবানবনি। মখোয অসিদগী চেকশিন্দবা যাদবনা চেকশিল্লিবনি।

রাশক অমগা লোযননা থাখিবা কৌবী পাম্বী লাখ মঙা অসিনা ঙসিগী ওইবিবা ফাভমসি যৌবক্লবা থিংলিবা শম্বন, নোং নুংশা খাঙনা শাখিবা লৌশঙ, কৌবী মখোঙ পেংবা, তীন-কাঙ তাদনা কাপখিবা চাইখিবা হীদাক, থা কযা চঙনা ইমুং হুপ্না মাঙখিবা মতমগী অবামল ওইনা অপুনবা পোৎথোক্কী তঙ্খাই অমদি শোযদনা ফংলগনি। মসিনি মহাক্না তুম্নবসু তুমদ্রস্ মতম খুদিংদা মঙজবিবা মঙ।

লৈপুঙ ফম্বদা, চা থকফম হোতেলদা অহলশিংনা তত্তনা হায — ঐখোয়গী নহাবোলশিং অসি শূনীংদবদা ইশং কাবে। মউনশিংসে লে ওনীংদ্রে। মশানা মশাবু থাজবা মাঙহনজখ্রে। পী৬বগা চার্গানি পীজদ্রগা তোক্কনি হায়বগী মপোক ঙমদা হিংদুনা লৈবে। অহাওবদি চনীংবা, চাবা ফংবগী লক্ষীদি থিগে খংলবা, নিবগা হায়জবগা চার্গানি হায়। বাখল্লা তাওদুনা লেবে

লাইবিক হৈববদি লৌউ শি উবা, ইংখোল কোইবা তৌহৈদবদু মতাই। পোৎ খুদিংমক মমল লৈববা মতমসিদা পৈশা তানবগী লম্বী থিবা কবিদা [illegible] সবকাবগী থবক্তনা থবকা [illegible] হাওদুনা লেবিগা লৈবুক [illegible] কোবী, আলু, খামেন, থবী, হবাই [illegible] বাউ থাদুনা [illegible] শেমগৎপা যাই। মনা মশিং, মহৈ মবোং মবাং কায়গনি

ঐখোয়গী মতমদদি [illegible] মশি [illegible] কেথেলদসু যোনবা শীংলন [illegible] ঙাইবেনা [illegible] যোন্নবে।

[illegible] চানা হের্গানি হায়না কিগদংসু [illegible] খাদ [illegible] মমল [illegible] চাবী থকপীনবা যাবলে [illegible]

অহলশিংনা হায়খিবশ [illegible] পাম্বৈনি। মসি চেৎনা খাজবদগী কোবী শাগে খংনি। [illegible] কোবীশিং অসিনা মতাম্বী উম্ [illegible] লৈকায় খুনগী মমাঙদা [illegible] শোয়দনা ঙমহনগনি হায়না চপ শংনা খাজখি

কোবী পাম্বীনা চাউবকচে [illegible] বাখিদ্রে। [illegible] মতম যৌবকলে। [illegible] অহাংবা অহীংগা অচাবপা মতমদা [illegible] মেওালদা মখুৎতা মৈতাল পাযদুন তত্তনা ফিসান হোৎলি ফব্রা দ। থ ইদোক খাইদি, তৌই। খাইদোকপা যাবমখি খাইদোক্লবসু ফজনা তো লে। বাজমল শোয়দনা ফংগনি।

বয়া শীৎলি ওসিদি

অশ ঃ কবি হাযগদবনো খঙদ্রেদা। কৈথেলদা কোবীনা হেক্তা বাই চায়বৈ পানিসে। লৈগে হাববা মী অমত্তা যাওদে। লেম্না লৌবগে হাযবা ঙাক্তা।

কবিনো নঙনা হাযরিসিবো? কুইদ্রিদাইনে নঙনা কেজিদা লুপা তরা শীৎলি হায়খিদুবো?

ওঃ শীৎলে। তবাদবু নত্তে। তরোনীথোই হুমদোই হেন্নবু যৌলমলবনি। ঙরাং নহালতগী বানি। কদাযদগীনো খঙদেনে ঙসি পুথোক্লবকপা কোবী মযামদুবো? ওস্থোরনা যামখ্রপোৎনি।

হংবে। পৈবসনু। বানীংঙাই লৈতে। মতম খবদং ঙাইখিসি। তাঙশিল্লকদবা কুইদ্রবনি। ঙসি তবানি থা মখাইমুক্তা মঙাযবে। কোনী খমখ্রগনি। মদুগী মতুংদা পুথোকসি। শীৎতবা যাত্রা যেংসি। হেবা। উমাইবীনা ঙা নাকপবগুম ফৎ ফৎ মবাইনা লাকচখিদৌনি।

কবিনোনে হাযবিদনো? তবানি থা মখাই হাযদুব্র নসুগা ওইথোকপা যাদৌবিনো? লোং চৈংগী মতম যৌশিলকপসিদা কদাযদনো হাযবা ঐথোযনা হেক্তোক্লগা ৮মদৌনিবা মফমসিনো?

হেবা। পহংবা বাশিঙ্গকনুদা নঙসু। নঙহৌবনেই ১ তাদ্ মঙাই। লীলা, ড্রামাদা লাহবনী শাবা হেবং মাঙ্গলনা। কনা অমত্তনা লৈবিদ্রনসু সিকাই খঙদা পীবসু নুমীৎ নীনীংদা

লাইদৌসিনু।

* * *

চৎলো হাযবনি নঙবো লাউ খো দুনা লাক্রিবসি নোংনিনো। তাদা অমুখোযগী মমাঙ শঙ্গোমদো লোংমা নীনীদংদি কোবী খবা খমজগে হাযবা। ঐনা হাযঙানকপানি হাযযু।

মতূ মচা, ইমু, মনুং ওপ্পুনা যাম্থৎলবা কোবীশিং অদুগী খমফম কোযচেং চেন্দুনা থিবিঙৈ, নংহৌববোই মতাগুম মমীৎ মনা ফাগুনা, নোং চবা হৌবকই। নুংশিৎ কন্না শীৎলকই। মাযকৈ খুদিং মমশিল্লকই। অঙানবা মচেৎ অমঙা ফাওবা উগে ফংখিদ্রে। উবক বাবক্তা শুব শুব নৈদুনা শীৎলম্বা মুশিন মুবা নুংশিৎ তু লৌনুক লমহাং যৌবকলে। মীৎ উইশিনবগুম পুংমম মমখ্রে।

থংনবা মীকুপ্তদি মচি মবাং পানবা অচৌবা লেনশিংনা তাইবঙপানসি

লৌইশিল্লগে মতাগুম মীৎ মায় খঙদমখৈ পুদ্রূপ পুদ্রূপ তাবকই। লৌবুক-লমহা, উখোঙ-ৱাখোঙ, খোংবান-লুকলাং, লৈবক-কোনশাং, লেম্না পূমঙৌ ঙৌখ্রে।

খু-খুজেং যৌনা কূপশিনখ্রে। উবক বারক্তা যাবেন্চবা উচেক ৱাযাশিংগী মথবায যাওদ্রবা হকচাংনা ঊনা বানা তাবগুম লৈমায়দা ইচাই চাইনা তাবি।

মবোঙ মবোঙ লোঙবা চাউববা লেনশিংনা তোমপোক্কী কোবী অদু অমত্তা চীৎথদনা ফূদৎলমলে। মেবা থাগী শনাবে অথোনবগুম ইশাৎ শাৎকাযবে।

নহাল মখৈ লৌবুক মযাযদা মখ্যাঙ ইকোন কোন্না লেপ্লমবা মাগী লৌশঙদু উপ্রাক্লা হীপ্তুনা যাতাবি, হঙোইনা শিবগী খূৎশিদা মখোঙ মখূৎ চপ তিংথোকত্তুনা। লৌশঙগী ফক্লাংদা মৈতান পাযদনা কোবী যোল্লগা ফংগনি খন্না হোৎখিবা হিসাবর্ক। অঙ্ক মযেকশিং অমত্তা উবা ফংদ্রে।

কোবী হেক থাখিবদগী যোনবা যাবা ফাওবগী থাক অসি যৌনা মহাক্ন হোৎনবদা বাজখিবা পাঙ্গল, মাঙখিবা মতম, চঙখিবা শেল খূদিংমক শীংলন নুংশিৎতা তিনখ্রে। হনজিন হনজিন হোৎখিবা শেলগী হিসাব তেবা মফোলগুম মাগকৈ খঙদনা পাইখ্রে।

শূনীং নোঙ্গীংবনা খ্রো খ্রো খোৎলবা তোমপোক্কী বাখল মঙক লৈথখ্রে অঙাওবা, খৌশিল খৌবাঙ হৈতবা নূপা অমা ওইখিবে। শূজা নামঙনবা খূদি ফাগী তাবে। ফোলাদা লৈযৈনা থাবা, উৎতা শাজৈনা ফূদুনা শান্নব লগা চপ মান্নখ্রে বা অমত্তা ঙাঙদনা অতিযাদা কোযপাই পাইনিবা অনুবা নোংদুমদা অঙ লেপ্ত চুমদ্রিং যেংদুনা লেপ্লম্বা তোমপোক মকোক পাযবগা ফমথবকই কোবী ফৈদাম মথক্তা। ❑

রেস্ক্যু তিম

মিষ্টর ফ্লিন্তনা মাগী মমাঙদা পরেং তৌপ্লিনা মাওমগী মমিং লৈবনা, তোঙান তোঙনবা মওংগী হাৎন শুনবদা হৈখোই শিংখোইবনা চকল অহৌশিং অদু মিং থইনা কৌরকই।

ত্রোপেদো

য়েস সার

চক ক্লস

য়েস সার

ইন্দতোলকর

য়েস সার

গাঙ হো

য়েস সার

লেদি জে

য়েস সার

ওজানা ক্লাসতা রোল কোল তৌবগুম মথং মথং মমিংশিং অদু কৌরকই।
য়াম্না মখোল হৌনা লাউরকই ঃ— প্রেদ!
এত্তেনসন!
স্তেন্দ-এত-ইজ!

নুংশিজরবা মরূপ মপাং পুন্নমক। অমুক্তা পুক্নীং চঙনা তাবিয়ু। ময়াম্না হেন্না খঙবিরিবদুনি। ঐখোয়গী মালেম ইমাসি য়াম্না ৱারে। ময়াং কংত্রিক কংলে। মথরায়সে হায়চিং হামফোইনরে।

মালেম ইমাবু অৱা অনা হকতিন্নহল্লিবা, মমীৎতগী মপী লেপ্তুনা শীম্থহল্লিবাসি তাইবং মীনানি। তাইবং পানবসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক মচীন থীবা, তৌশিন্নবা হৈবা, মীনুংশি হৈতবা, অইং অপা সাবা, লৌনম চাউবা, শেনজা থুমজাদা হালেঙদবা, চিরোল খারোল তৌবা হৈবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবদি মীনি হায়দুনা মথরায়বু হেক পাল্লবদি তকখৎতুনা হাৎপনি। ঙসি মালেমগী অইঙ অশাগী খল থুগাইদুনা মহৌশাগী খোঙচৎপু মাঙনবা শীল্লিবসি মীওইবননি। মীওইববু মরু ফংনা মাঙহনবা নত্তনা মালেম ইমাবু কন্নবা ঙাতে লম্বী অমা লৈত্রে।

মশানা মশাবু লাইনি হায়জবা, তাইবং মীবু পঙথহনবা মীওইবদা চীরোন খারোন তৌরিবা মখল কয়াগী মায়খুম উপ্তুনা মিত্রং শান্নদুনা মীওইবা মশেল নাকপাক নাকপাক তান্নহল্লিবা লাইশিং, লাইশঙশিং, লাইফমশিং, শক্তমশিং বোম থাদদুনা, তোপ, রোকেৎ, মিজাইল কাপশিন্দুনা মাঙহন তাকহগদবনি। মখোযগী চীরোল খারোলদগীনি ঙসি মীওইবনা মীকিথি, মীফৎতা ওইরক্লিবা। তৌশিন্নবা হৈরক্লিবা। ৱাখল পিকশিল্লকলিবা।

নুমিৎ, থা, থারানমীচাক, চীং, পাৎ, তুরেল, সমুদ্র, উপাল ৱাপাল, হৈপাল লৈপাল, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তিল-কাঙনচিংবা মীওইবা নত্তবা থরাই পানবা খুদিং মকপুদি করিগুম্বা মখলগী অৱা অনা অমত্ত পীবা য়ারোই। মখোয় লোয়না লৈহৌশনু। মালেম ইমাবু য়োকথাক্তুনা।

* * *

রেস্ক্যু তিমগী মকোক মিষ্টর ফ্লিন্তনা পীখিবা য়াথং মতুং ইন্না মথৌ পাঙথোক্লুরবা থৌনা ফরবা অকল অথৌশিং অদু তেক্তা কায়দনা হল্লকলে। মখোয়না মালেম ইমাবু তমথিরবা মীওইবগী মখূৎতগী মথল্লায় কন্নবা হোৎনখিবা, থবক অদু পাঙথোকপদা থেংনখিবা অল্লা অনাশিং অমদি মখোয়গী মতিক মথৌনাবু ইকায় খুম্নে। থবক অদু মখোয়না মতম চানা পাংথোকপা ঙমহৌবগীদমক থাগৎলি।

ফ্লিন্তনা হায়রকই— নখোয়না মালেম ইমাবু মীওইবগী খয়াৎতগী কন্নবিরবসিগী অরোইবা খোঙথাং ওইনা মাঙদা লৈরিবা অল্লাংবা তাল্লার অসিগী মতোন লোন্না নখোয় খুদিংমক কাখৎকদবনি। নখোয় খুদিংমক তাল্লার মতোন অসিদগী মথং মথং চোংথদুনা লোয়না শিগদবনি।

অকন্নবশিং অদু খোনজেল অমত্ত ওইনা খুল্লকই— থেঙ্ক ইয়ু সার।

মিষ্টর ফ্লিন্টকী য়াথং মতুং ইন্না মযাম অদু বাংলা তাল্লার অদুদা কাখৎনখি। ককচেংগুম মরাঁ মরী। স্নো জোব, এ্যাপেদো, গাঙ তো, দুগ, বারবাকিয়্যু, মেজর, ব্লদো, কোব্রা কমান্দর ইসত্রেম-শেদো, কোক-মাস্তর, ইসপাইয়াব হেঁদনাচিংবা অকল অথৌবাশিংনা মার্ভিন থারদুনা।

তাবার মতোন হেক য়ৌবগী মখোয় খুদিংমক অমমমতা ওইনা মথং মথং ফন ফন চোংখনরকই। য়ামা শাথিনা বাংলা তাবার ওইবনা চোংথরকপদুনা লৈবাক হেক য়ৌবগা মেক মোক নাউনা নাং ং হেং ভা শি।

অকল মথৌশিং অদু, শিরিনা খুংশি অদ চইঁ মঙা মপুং ফাদ্রিবা তর তকনা মোমোচাগী মমাংনা যাম্মা দেয়ক্রকনা লেংই।

মিষ্টর ফ্লিন্তস্যু নুংঙাইদনা হায়িনিংঙই লেত্রবগুম তৌই। মনাতোন শুমাংগী মকোয়দু ফ্রিং ফ্রিং চোংখ্রকই। মহৌশানা মহাক্কী নাতোন শুমাংগী মকোয় অসিনবু চোং ফনবা তৌরবা মথবাই নুংঙাইরে হায়না মরাম্না অদুম খঙনরিবনি।

ফ্লিন্তকী নুংঙাইবা মতৌদু উরগা মোমোচা নোক্লিংলকই। নোক্লিংবদু থিংবা ঙম্লমদে। য়ামাঙগী ময়া তেকখিবসিং অদু নিঙশিংলুদে। মখোল হৌনা ফাক ফাক নোকথোক্লুবদা মরৈ অদু তেকখিবা ময়া অহোবদুদা চিৎ চিৎ লিৎথোরকই।

মোমোচা কাওথোক্লুরবা তেকখ্রবা য়ামাংগী ময়াশিংদু খঙনিং নিংশিংলকই। মনাতোন মখুন অনীদা খোই মচাগুম থিন্দোক্লমবা ভৌরুনবা মনপত্তু খঙচিং চিংখৎখি। মখোল হৌনা নোকপা, থিগৎলুবা ময়া অতেকপদু ইকায়রপ তৌনা মখুবাক

মচা অদুনা খুমজিন্নবা হোৎনৈ।

যাম্না চীং লেম্বা মওংদা মোমোচানা হাযবকই— মিষ্টব ফ্লিন্ত। নঙগী নতিক নগুণ, নথৌনা নবিংজেল অঙকপনি। নঙগুম্বা লুচিংবা অমা ঐখোযনা ফংজবসি কযাদা লাইবক ফঙ্খ্রবা। থেঙ্ক কিযু। মিষ্টব ফ্লিন্ত।

মখোয অনী মখুৎ শোকনৈ। মোমোন নোকমীননৈ। মখুৎ শোক্লা শোক্লনা যাম্না মেঙ থোৎলবা খোনজেলগা লোযননা মোমোচানা মখা সমথৰকই— অথৌবা। অদোমগী পিস্তোল যাওবিবিবা নৎত্রা? শে। ঐগী পীস্তোল মচিন্নসি অদোমগী থম্মোয মপাদা থমজবি (পিস্তোল মচিন্না ফ্লিন্তগী থম্মোয মপাদা নম্লগা) চানবীদুনা অদোমগী পিস্তোল মচিন্দুসু ঐগী থম্মোয মপাদা থম্মিযু।

মিষ্টব ফ্লিন্ত। প্লীজ লিসন-দ-কাউন্ট দাউন্দ। তেন, নাইন, ঐত, সবেন ।

ইবুংঙোমচা। নঙবু ঙাওবব্রা হাযব? চাক্কা অমত্তা লামদ্রববা নঙবো' চাবা নাহেল্লরো। নুমিৎ তাখিদৌরে ⅃

হোতেল অমসুং আমিন

মশা নানবা আমিন কালা মশম কাংমুক নান্ন হাৎ. তক তক , তনান তনান লৈবাক্লেগী হোতেল তম্না লাকই।

ফানশাং অমখক থারিবদুদা ফু ফু কামথোক্লগা ফমখি। ফান মথক্তা লৈবম্বা খবর চজিক্তু হনগৎ হন্দা ফাকই।

লৈবাকলৈ সহবদগী লাপথোক্লা লৈবা খুঙ্গং মচি অমদা হোতেল ফম্বনি। চা বোরা খব য়োনজবনি। লৈজবা খবদু তরু তনান হোৎনজৈ। হোতেলসিদা থক্লরিবা. চারবিবা মীসু লৈকাথগী মীশিংতনি। মখোয়গী মনুংদা আমিন কালাসু অমনি। কালা ফওবা মী নত্তে। কনামতনা মাবু ফত্তে হায়বা তাদে। মহাক নোংমগী চা থকহৌদ্রবদি লৈবা ঙমদে। চা থকপা ফংদ্রবদি ঙাওচৎনৈ। ময়ূমগী মমা মপা, নুপী অঙাং কনাসু চা পামদে। পামজদুনা চা চিনি লৈদুনা থম্মি। মাগী নুপী অঙাংশিংদা চা লোল্লকউ হাযরুবা খুদিং সনা কায়থোক্লচো হায়বদৌনা শাওনৈ। য়াবিদে মাগী নুপী অঙাংশিং চা অদুক য়াম্না পামদ্রিবগী মরমসু মহাক খঙদে।

লৈবাকলৈ হোতেলগী গ্লাসশিং অসি নিংথিনা চাম্লমগনি হায়বা কালানা থাজবা

শুকঙম ঙমদে। মরেক কাবা ঈশিংদা প্লাসশিং অদু অমুক্তং চুপ লুপসিল্লগা তোক্লমগদবোই খল্লি। নিংথিনা ব্রোং ব্রোং শৌববা ঈশিংদা চা চিনিদু থাক্লমগনি হাযবা থাজবা ঙমদে। চমোৎ চমোৎ পংতৌ তৌশিল্লমগদবা মাল্লি।

চিংন চিংননা, থাজদ থাজদনা, লৈবাকলৈগী হোতেলসিদা অদুম মতাই। অতৈ হোতেল লৈতে খুঙ্গংসিদা। তঙাই ফদনা আমিন কালা লৈবাকলৈগী হোতেলসিদা চঙদবা যাদে।

খবব চজিক্তু ফাক্লা ফাক্লা কালানা হাযবকই— ইবেম্মা লৈবাকলৈ। চাদু অমত্তা শেল্লকউ।

কালানা ফান্দা হেক ফমথখিবা অদুদগী হৌনা লৈবাকলৈ কৈনোমা অদুম তৌখ্রবনি। মহাক্লা তৌবক্কদবশিং লোযনা খঙলবনি। মবুক্তু মবৈ মবৈ হেক তাখৎলদনা ,শুনিং নোমনিলশ্ববাদু খঙতন তশ্ববকখ্রবনি। ওনিং ওনিংফাও তৌখ্রবনি।

মসিগী নুপাসিনবু খুলামখাম হেক কৌববা নুমীৎ অদু দাউ যাবৈ বাদি লৈবাবোই। হোতেল থিংজিনবা অদুম যাবর্বনি। ওষ্ঠোক্লা তনজখ্রে। কাংঙৌ বোনাকা মমত্তা শিৎলবোই। চা অমা থকপদা পুং চাত্রেৎনি মানা ফমদৌবিনা বাগী লাবেম্না বাই চাইবনি।

কমদৌসিগে? শুমজিৎ পাযদুনা তালহৌবনা ফবদ্রা? কনিনে তৌগদবা? হোবেল নুমিদাংগী চেঙ চাবাসিনা কদাইদগী কোৎলুদৌবি? বাখলসি খাল্ল লৈবাকলৈ। চাদু শেম্না শেম্না

ইবেম্মা লৈবাকলৈ। নঙগী প্লাসত্তবু শেংনা চামব্রনে?

খুমলক্তে।

ঈশিংদু ব্রোং ব্রোং শৌহল্লগা চাম্মুনে

হন্দক্তি থাঙবা ঙমদ্রমালে। খুমলকই-

কদাযদৈ ব্রানোদা তাদা। তাইবং মীগী পুকচেলদি কনাসু শেংনা চামথোক্লদ্রগা চা প্লাতা শেংনা চামলুবগা কৈদৌনর্কনি?

লৈবাকলৈনা অশুম খুমদোবক্কনি হাযবা কালা থাজকদে। ইঙক ঙক্লা থোকই। করি অমুক মখা তানা হাযগদগে খঙদে। চামদা চামদ্রজাৎলনে মানা হায়রিসিবো। চিংনরকই কালাদু।

শাউনবা নুংঙাইনদবসু কবিমত্ত লৈখিদবা হোতেলগী লৈবাকলৈগা নুমিৎ খুদিং

চা থকপা লাক্লিবা আমিন কালা অনীগী মরক্তা মশক মমিং খঙদবা পন অমা খারিবগুম তৌই। করম্বা মখলগী পননো মখোয়গী কারক্তা লৈরিবা? আমিন কালা খঙদে। লৈবাকলৈনসু খঙদে।

আনোক্তু মনাত্তোন মতোন য়ৌনা ইম্বরগা মচীন মখা পৈখোক্তুনা, মমীৎ মনা শেপকৎতুনা, উরু-রু লৈনা য়েংলগা লৈবাকলৈনা থমলম্বা চা গ্লাস অদু য়াম্না তন্না থাংগৎখি।

চাম্বা শেংদবা গ্লাসসিদা, দাইরিয়াগী, কোলেরাগী, তাইফোইতকী, তিবিগী, কেনশরগী, এদসকী মহিকশিং য়াওরম্লদি কমদৌবা ঐদি। খল্লি আমিন কালা। চাদু থক্লা থক্লা।

পৈশাসি লৌশিল্লু লৈবাকলৈ।

মহুৎ মহুৎ হুৎলবা লূপা চৎপী অফোৎপদু থাদবক ই। হন্না অমুক য়েংলমদে নহালমখিগুম। আমিন কালা চৎখ্রে।

পৈশাদু উবদা হেন্না শাউনিংলকই লৈবাকলৈ। লাক্লুনা লংখোকখ্রশিবা খল্লকই।

পৈশা অফোৎপদু বাক্সি মনুংদা শাউরংননা লংশিনখি। মচীন্দা মুরুম মুরুম শোল্লি— মবুক মনুংসিসু মফুৎ মফুৎ হোরমগনি মসিগী মীসি। ❑

থিবা

মমান্নবা ময়ামগা লোয়ননা নুংঙাইনা, হরাও ওয়াম্না থৌবী হাইবী শান্নবগা অঙাং অদু তফিং তফিং ইপা পাখৎনা থৌবী হাই বীগী ফম্বাক্কী কুমথাবনই।

ঙাইহাক্কী মমাঙদা সহব অসিদা থোকখিবা যাম্না চবাংনবা থৌদোক অমদা মমাদু মফম মবাঙ খঙদনা মাঙথোকখি। মীয়াম মবঙা।

লাউ খোঙদুনা, কাতু কাবন পঙচেন্দা চেন্নবিবা মীয়ামগী মরঙা মহাক্কসু চেনশিনখি। মখোঙ মচা অনীদু তবি তবি থাংলদুনা মাঙখ্রবা মমাবু মীয়াম মলঙা কোয়থি থিরকই।

তুংয়ান ফজবী, ঈংজ তপচবী মমা মানবী কয়াগী মনাক য়ৌরুবে। মমা ওইরবোই নীংদুনা।

মচানা খোম থক্তবদগী পুঙম থাংঙমদ্রবী মমা কয়াগী থবাক চীংদুমশিং উরুরগা পলেম মমা ওইরবোই খনজকই। চেনশিনজরুই।

অপোকপী পলেম ওইবমদ্রবদা নীংবা কায়খি। মীয়ামগী ঈপাক্তুদা ঈরাক্লে। মখুৎ মচা অনীনা পীক্রবা মমীৎ অনীদা নোইরদুনা হিক্ল হিক্ল কপখৎলকই। কপকৌ

কৌরকই— ইমা! ইমা!

* * *

নোকমি নোকমিবা নুপা অমা মীয়াম মরক্তুদগী থোরকই। অঙাংগী খজাই অনীদা তারক্লিবা পি অদু রুমান অমনা নাংথিনা তৈথোকপী। পন্থৌ মানবদুনা থেন্নকই— নুংশিরবা অঙাং কপকনু।

নুপা অদুনা ফুরিৎখাওদগী লৌথোক্তুনা পীবা শান্নপোৎ মখল কয়া, অচাপোৎ হাউর হাউরবশিং অদু মখূৎনা লৌর লৌরগা পংলংদা লংথোকখি। মায়কৈ খঙদনা। পংকপ্তা কপ্পী মমা কৌদুনা। অঙাংগী নিঙাই থেম্বা ঙমদে। মমাবু উনিংবগী রাখল কাউথোকহনবা ঙমদে।

নুপা অদুনা হায়রকই— নুংশিরবা অঙাং! নঙগী নমাগী লৈফম ঐ খঙই। নঙবু ঐনা নমাগী মনাক্তা শোয়দনা পুলিগনি।

নুপা অদগী রাহৈ অদু তাবদা কপ্লন্না অঙাং অদু কপখিদ্রে। য়াম্না খৌরাংবা মীংয়েং অমনা পন্থৌ মানবদুগী মাইথোংদা চাথোক্লদবগুম য়েংদুনা লৈ।

নুপা অদুনা খুদোম্বী থিল্লগা অঙাংদুদা অমুক্কসু হায়রকই— য়েংউ অঙাং! উরেদনা। চীংজাও অসি। ফজদ্রা? চীংজাও অসিগী মখোঙদা থরো থম্বাল, থারিকথানা থন্না হৌবা ফজরবা পাৎ অমা লৈ। নির্থিজরবা পাৎ অসিগী মপান্দা নমানা নঙবু ঙাইদুনা লৈহৌই। নঙতবু হন্না হন্না কৌদুনা কপহৌই। ঐনা নঙবু নমাগী মনাক্তা শোয়দনা থিনবিগনি।

অশুম্না অঙাং অদু থেমদুনা নৌদুনা পুবিখি নুপা অদুনা।

মতম খরগী মতুংদা নুপা অদুনা খুদোম্বী থিন্দুনা মমাগী লৈফমনি হায়দুনা তাকখিবা, মমানা মহাকপু ঙাইদুনা লৈহৌই হায়খিবা থরো, থম্বাল, থারিকথা থন্না হৌরিবা পাৎ অদুগী ঈপাকথক্তা তাউদুনা লৈরম্মি। অঙাং অদু। থরাই য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা। ❑

বারবরিয়ান ফিল্ম

ইবেমহলগা ইবেতোম্বীগা পোকমীন্নবা মচান মনাও অনী পোকমীন্নবা নুপা মচান মনাওদা মযূম পানখি। মকু মনেম পুম্লপ পূনখি। যূম্লাক শাগে অমত্তা ওইখি।

কুইংদে ইংখোলগী লম হেন্দোক হেনজিনগী
মচা খৎনবদা হাকন চঙনবগী
বেদিও, তিভি, হৌনা খোঙই খোঙদেগী
শিকিগী মখাযগী
ঙাচেৎকী থুচেৎকী বাহৌদগী
খৎনবকই।

লৈখিদ্রবা মপা মমা, শিগ্রবা মকু মনেম চিংখোক্লবকই। অবানবা অশোযবশিংগী মবম পোপথোক্লবকই। মবা মপুবোইবশিংগী অথুপ অবোনশিং ফাক্তোক্লবকই।

থীনা থীনা চৈংনবকই। কন্না কন্না লাউনবকই।

কৈলোয লৈকায, ইমুং মনুং, মকু মনেম অমত্তগী মমৌনি হাযবা নীংশিংনদে। ইকায ইকি শবাক ফাকনৈ।

ঈ কারবা মমীৎশিংনা অমনা অমদা খানা যেংনৈ। অমনা অমবু মুৎথৎলগে, তুমহল্লগে নিঙনৈ।

চীন্না খৎনবা চৈনবতনা পেন্নবক্তে। খ্বাংজেৎ তনশেৎ শেৎকৎনবকগা শমজি তাপ তাপ পায়নৈ। চিংথৎনবকই। ফোইদৎনবকই। নম্নবকই। ফুদৎনবকই।

অনীমক্কী ফিখা যাওদবা ফনেক লৈমায থক্তা তাক্লে। নুপী ওইবীগী হকচাং কয়াৎশিং লোযনা শং শং চোংথোক্লবদু ফাওবা, শযেং পাম্বোম ঙাল্লে। হন্নদে। মমীৎতা মমাযদা মথবাক্তা খুজিন্না খোৎনৈ অফং অফংবা হকচাংগী শকক্তা নযানা চীক্লে। শোব থবেৎ থবেৎ হোল্লে।

ফুনবা, খোৎনবা তোকএনা মচিন মনাওগী মতৌদু উনদা মখোয অনীমক্কী মচা পিশক পিশকশিং অঙকপনা লাকহৎখি। অকিবনা খুমহৎখি।

মমীৎ মনা চপ যু থংথনা, মশা থক থক নিক্রা অশিবা পুংবকপওম বা বা কপথৎলকই

হিংজম অসুক যংজ্রবা, মওং অসুক শান্দ্র ফাওবা নপান লোবাক্তে। এবা নকপী মখোয মম ঙগী ভানীদুদি হিবেক যাওদবা ন নবানবানা হিগম অবা, হোংনওম যাম্না নুংঙাইনা। যেংদুনা লৈ। ফুনাবদু খাচ দক্লে।

পাউজেল

চহী তবানীথোই কুমদোইগী অঙাং অমা বসতগী চিংথবগা শোবোক্কী নাকন্দা লৈবা লমপাক অমদা সিফাই থবনা কোযশিল্লগা ফু চৈদুনা বাহং পাউহং চৎথবি

অঙাং অসিদ নোংমৈ মচা অমা যাওবস্মি হায।

নোংমৈ নত্তে চৌন হাযদা। লালহৌবশিংনা চাইবম্বা চে অমা মহক্কী ফুবিৎখাওদা যাওবম্বগীনি।

সিফাই মযাম্না বস, ত্রক, জীপ কাব, বাইক, মোপেৎ, বিক্সাদা লাকপা মী খুদিং থৎলগা পুল্লপ হোইতিম্লকখি। ঙাইন তকপদৌনা খোমজিল্লকখি লমপাক্তুদা।

নুপা নুপী তোঙান তোঙান, সবকারগী থবক তৌবগা তৌদবগা তোখাই তোখাই, মখূৎশিং অদু নাংনা থাঙ্গৎহন, মবাল অমগী ফাদুনা পুবকপঙুম, ঙাকপীযু লানজখ্রে হাযনা হাবজংহনবগী মওংদা মযাম অদু ইকোয কোযনা লেপহল্লি।

তঙাইফদনা যেংদবা যাদবা ওইনা অঙাংদুবু ফু-চৈবগী থৌবম অদু যেংহল্লি। যেংবদা ৱাবা, মীনা মীদা তৌফম থোক্তবা মীওৎ মীনৈ মখল অমা ওইবনা

কনাসু যেংনীংদে। য়েংদবা যাদবগী যেংখিবনি।

অঙাং অসিবু ফুব ফুবগা, মচেৎ মচেৎ হাৎকদৌবিবা কবিগীনো?

খঙদে। অশুম্না ব্রাহনদৌ শকক কোক হেক কাপ্লগা হাৎতোকপদি যাদব্রা?

ঙসিদি যেংব তাবেদনা। মী হাৎপসি কবম্না হাৎপা যাবগে হাযবদু মযামসু খঙহৌবসি কৈদৌগে?

মযাম পুন্নমক ভুমিন লৈসে। লোন খঙবা. ঙবাং নহালদা সবেন্দব তৌখিবা শোবেন অমা লাকখ্রে. মযাম অনাবা তানিকো।

সিফাই অনী অঙম্না ফৃজিনবা, কাওশিনবা, থিনজিনবা, শুজিনবদা ঈ ওথবকপা অঙাং অদুগী মযাদা মমাযদা খোঙউপ্পা কাওশিন্দুনা মযাদু থুদেকই। মনাতোন পুগায। মখোঙ মখূৎশিং, মহাং মখ পোক পোক থুদেকই। মখ্যাঙ অমসুং মঙক লেংলি। যেং যেং চাংদুনা শাগ্লে। শব শাবাংশিং অদু ধুন্দবপা খুদিং খাঙঙমদনা কোযলাউ লাউই। মহাক্না খঙলাউ খঙলাউ লাউবকপা খোঞ্জেন্না যেংলবা মীযামগী নাকোংদা শাফু কন্না যৌশিল্লকই। তেংথা নাওইদুনা হোনদোনকপা নহা অদুগা চানি, চমাং শম্ভুনা শোবনা যেংলনা মযাম অদু মকোক্তগী মখোঙ কাওবা নং খ্যাও খাও চুংহল্লি। মমীৎ চেজেৎ উইশিলহল্লি। মমায লেংহোকতুনা খাঙনৈ। হকখেন্দনা যেংবা অমত্তা ঙম্নদে।

অঙাং অদুদা ফু ফূদুনা হংবদা শিঙিংন্নবিবা লোনদা পুদাশিং হাদু মতা অমনি। তিল্লিবা মীযাম অদুদা অকন অবিং শিংবদৌনা তৌবা, যাম্না উশিং থওইদনা, করেম কথাইনবগী বাহৈ বাতা কবা যাওই। মওং মনিন তাদবা বাঙাং শঙাংদু থওইনা মীযমগী নাকোংদা তাজবশনু হাযবগী মতাগুম ঙাঙশকই। লোৎশিন খুমজিনব, মচি মবমগী, বাফম লৈতে।

ওৎ নৈবগী চৈনা খাঙবদা ফ্রিং ফ্রিং চোংদুনা, লাউ খোংলম্বা অঙাং অদু ভুমিন লৈখ্রে। মখোল মরা থোকখিদবদা নত্তনা ফিভমসু শাথিনা হোংখ্রে। অফাওবা জিন্নক্ত অমগুম অঙাং অদুগী মখোঙ,মখুৎ মখ্যাং অমদি মঙক্কচিংবা হকচাংগী তোঙান তোঙানবাশকক্কশিং অদু লোযনা থেকতোক থেকচিন থুপতোক থুপচিন তৌবাযাবে। শীনা শাবা লাইফদিনীদৌনা শক শবাং অমত্তা যাওদ্রে। পদ্রাক পদ্রাক তাবে।

যূম কৈ শাবগী লৈবং তাবদা হৈথোই শিংথোইববা কনাগুম্বা অমনা চবেৎ চবেৎ নেৎতুনা, মবৈ মুন্না থীৎপা লৈতানগুম মতম শাংনা অঙাং অদুনা থীৎলকপ অদু লোইশিনখ্রে। অঙাং অদুনা তমথীবা মওংদা ওৎনৈখিবা থৌদোক অদু অকায় অতোই থোকতনবা চেকশিন্না ঙাক-শেনখিবা সিফাই পুন্নমক মানা মানা তোং লকপা গাবীশিংদা কাখৎনখ্রে।

অমম্বা নুমিৎনা মপূম মাংখৎ পাঙখিবদা লম্পাক্তুদা তিনখিবা মী মযামসু বা অমত্তা ঙাঙনদনা মাগী মাগী মাযকৈদা হাইদোক্লবকই।

পদ্রাক পদ্রাক তাববা, থুপতোক থুপচিন সাববা নৌববা অঙাং অদুগী শকশা যাং পান্দ্রবা হকচাং অদু লম্পাক্তা নাইতোম তাদনা লেপ্লৌনে।

ইখঙ খঙহৌদনা অযুক্কী যেন্দা হাঙনবগুম চবোইনা তেতু খোঙলকই। কাক্কী লাইবাউ চেল্লকই। উচেক বাযাগী খোঙ্জেলনা মাইকৈ খুদিং নিল্লকই। নুমীৎনা তাবকপা মতমদুদা। ⌟

পেবেৎকী লৈবাক্তা

শামু কক ন'
লিলি ব-ক-বা
ঙসি কবি চাসিগে
ঽযেংনা কবি নিসিগে ?
নৎত্রগা
কনাদা কবি হায়জিনসিগে ?
কনাদা কবি তমশিনসিগে ?

মচান্দা মুকুম মুকুম শোন্দুনা চঙলকপা হৌদোং অদু উবগা ইঙক ঙকই। পাইবা ঙমদ্রিবা অপীকপা মচা মগুশিংদা পাখৎপা মীৎযেংনা যেংনৈ। ইথক থক্কৎনে। মচা মগুশিংগী খনবদা কিবনা ফ্রং হেক পাইদৌবসু ঙম্নদে। পেবেৎশিংদ্।

পেবেৎ খবনা হৌদোং মনাক যাম্না নক্না লেপ্লগা হায়বকই — ণুংশিজববা পেবেৎ ইচিনল ইনওশা। কবিশু মিপাইবীগনু।

গুরুদেবসি তশেংনা নম্বোইববনি শা ঙা চাদ্রে। যেকম শঙ্গোম থক্রে। অশোন অনা, লৈত-লাযবশিংবু তেংবাবিগে, খঙদ হৈতবশিংবু তাকপী তম্বীগে খন্দুনা লমদমসিদা লেঙবীবকপনি। থবায পানবা খুদিংবু মচাদা মচা, মনাওদা মনাও ওইনা লোযনগে খনজববা, শক-চু শওং শাদাগী খেৎনবা থমদ্রবা মীনুংশি চাওখ্রবা, তশেং তশেংবা নম্বোইবনি।

হৌদোং মতুং কোযইন ইনবা, যেংবদা পেবেৎ অদুমসু মানবা, পাখল বাঙা, শাঙা, অমদি শাজৎতি হৌদোংমক্কি খনজবা পেবেৎ খবনা হৌদোংগী মতিক মগুন্দু কাযমুক ফজনা, লৈশি লৈথোন্দুনা শৈথাজববসু হৌদো অদুদি হৌদোং বাখল থাদোক্তে

অশোনববু তুহৎপা, অকনববু শৌগৎপা, অকিববু লাই ওইনা নীঙবা কিদববুনা মীনায ওইনা উবা অচান মীবই মীচং শঙ্গন নাইবা, মতম খুদিং হীগাযবাগী বাখলদা খুন্দুনা লেবা থুগায থুগাযবগা লৈঙাকপা মপা মপুগী লীচৎ অদু হোংদোকপা ঙনদে। অমদা কক, অমদা কাক হেক্তা তৌনিংলকই। তুমীন লৈবা হৈনদে। লৌউং ম পুজনামগী মীহুন্দু হেক্তা কাঙলকই।

মমায তবং ওবংবা মমাং ইখু খুবা তনৈ ওনৌবিবা পেবেৎ মচাসি চদ উবগী যাবী যাখোঙ হাক্কচাকই। মতিন কুৎ কুৎ যোৎলি। পবেং মচাশিং অদু ফানি বনা মখুৎ মশাদ মলেঙ মলেঙ চৎলে।

কমদৌশিবা ! চানিংই হাযদুনা হুবান লাননাদা অমা অনাদ চাপ তাপ যাদুনা কুৎ কুৎ যোৎলগে হাযবসু খঙখ্র উখ্রগা মপাক্ক মবৌশি ওইখিনি। কোযলাউ লাউনবক্কুনা অতাব অফোংনবক্রবদি ওইজবা যান্না মাঙগনি। হাওবদি হাওখ্রনিদকো।

হে ! পেবেৎ!

অযো-যে ইবুংঙো।

ঐগী শকসি কযামুক্তী ফজ্জে হা?

ফজখ্রেদা ইবুংঙো! বাবক্কী তযাল অঙাংবা, ফৌ শঙবাই অচোনবা, ঈশিং পুন অথনবা ঙাবী পবেং অচুম্ব মুক হেক ফজদো।

নখোয পেবেৎ মযামসি নৎত্রনে হৌদোং লোযননা ওল্লনি হাযদুবো?

মানি গুরুদেব! তাকপিবিবদু অসেংবনি।

ফৈ। ফৈ। ওনগদবনি। পেবেৎ পুন্নমক হৌদোং ওনগদবনি। নখোয় পেবেৎ হাযবা মপোক অসি অফবা মপোক নত্তে। পোকহৈদবা মপোক অমদা পোক্লববনিনে নখোযশে। অশুম্বা হিংবা হৌনদে। যাম্না থুনা হৌদোং ওল্লো।

ঐখোযনা খনজবিবসু মদুমক্লি।

ফবে অদুদি। ঐনা নহাল নখোযগী হৌবক বাবীকাদু ঐখোয হৌদোংগী হৌবক ৱাবীগা মান্ননবা ঈশিল্লু হাযখিবদুদি কমদৌখ্রবা?

তাপীখিবা খুদিং শবক ওইনা পাঙথোকচবে। ইবুংঙো পেবেৎ ঐখোযগী পাবী পুবীগী হৌবক বাবী খুদিংমক হান্নগী খবসু মালহনগুম খবশু মালহন্দগুম, ইতোৎ তোৎশিন, ইতৈ তৈশিন হৌদোং ৱা ওইনা ইশিনজবে। হৌদোংগী পুবাবী ওইনা লোযনা ওহোকচবে। তুংদা লাক্কদবা চাবোন শুবোন্দা পেবেৎনা কনানো হৌদোংনা কনানো মফম মবা, অমত্তা খঙবা ঙম্নবোই

তৌবিবা থবক মযাম অসিগী মথোক্তা নখোয পেবেৎ নশেন অমগা অমগা বাখল ফাওনদুনা পুকচেল খোযজেল তিন্ননা লেপ্পকলবদি মদুগী মতম নখোয শবসিনা তৌবনি হাযনা লৌগনি। লোযননা নথবাইশিং অদু যাংকোক্তা হাপ্লগা খপ্পুনা শানগনি হাযনিলিবসিনি। মতম অদুদা ঐবু যাওে হাযজনু।

নমাই ঐখোয পুক্নিং বাখল কেদৌনুংদা চাঙজনবোই। থাজদবা তৌবীগনু। ইবুংঙোগী মনাই অশেংবা ওইজবগে খন্দুনা ইশক ফাওবা পেবেৎ মান ঙানিংদ্রদুনা ইমৈ অমদি ইশাশিং ফাওবা লোযনা কব থৎচখ্রবসিনি।

পেবেৎ খুদিংমক অমগা অমগা তিন্নবা যাদনবা মপা যেং যেংদুনা, মফম চানা চানা, হিগাযবাগী শিংচেপশিং থাজিনজনে। অপঙবা, চাওখৎ তবা, পেবেৎ মশেন তিন্নবা যাবদি লাইবদুনা ওনাশিন ওনশিন খৎন চৈংবা হৌবক্লান। মথোং মবম খঙদনা মখোয মশেল পংহাৎতা হাৎতোক্লবক্রংনি।

মহাক্লা যাৎখিবা পোথী পোবম কযা থবক ওইনা পাংথোকপদা মায শোযদনা পাক্লগদবনা, লমহেন তুহেনবা যাওবকপা পেবেৎশিংদু লাক্লবগে খল্লকই। মবান শিজিন শিজিন্দুনা শিবগী চৈবাক পীবা যাবনি। মথং মথং তপ্পা তপ্পা মাগী খযাৎতা লোযনা তাবনি। মসিনা মবম ওইদুনা মহাক পুন্সি চুপ্পা শুদ নোমদনা নুংঙাইনা হীংবা যাবনি খনবদা বাখল যান্না নুংঙাইনা চৎখি। যাবক্তা ঙংল ঙংলদুনা — শামু কক-কা, লিলি কক-কা ।

'পেবেৎনা ওনবা হৌদোং খবনা পেবেৎ মযামগী মীতিংদা রাফম অসি হৌদোবকই — নুংশিজববা পেবেৎ ইচিল ইনাও, ইচে ইচল পুন্নমক তোল্লবা পেবেৎকী মপোক অসি থাদোক্লগা ঐখোয় লোযনা হৌদোং ওল্লসে। ঐখোয় খুদিং মক হৌদোং লিচৎ চৎলসে। হৌদোং চাকচা চাবসে হৌদোং মবোল লোল্লসে। অচৌবা কাঙলুপশিদা তিল্লসে। মালেমগী চাওখৎ লমজেনদা যাওহৌবসে।

খবনা লেপখৎলগা লাউবকই– পেবেৎ ওইনা পোক্রবা ঐখোযবু হৌদোং কনম্না ওনদৌবিবনো? হৌদোং ওনবা পাম্বা পেবেৎ পুন্নমক হৌদোং ওনবীখ্রো। হৌদোং লৈবাক্তা চৎপিখ্রো।

পেবেৎ নহা খবগী বাদু তাবদা মশানা মশাবু হৌদোংনি খনজবা মখোয নিঙবা শাথিনা কাযরে। হৌদোং নম্মোইবনা চানবীগনি খন্দুনা হৌদোকচকবা বাফমদু মও' চানকএবদা মখোযদৌ খিৎলি। মখা ক্রক ক্রক চিক্লুনা, মমীৎ মনা লাওথোক্লুনা, মখাং মমাং থিন্দুনা, হৌদোংনা শাওনগুম শাওবকই। ঙ্রুং ঙং ঙংলকই। কিহল্লগে খাগবই।

মখোযনা শাওবিবনি হাযদুনা। শা ওনক্রিবদ হৌদোংনা শাওবা মাল্লমদে। বাঙাঙ শঙাঙ খুদিংমক পেবেৎ তা পেবেৎ অদুম মাল্লি। যাম্না শাথিনা পাকচবমদে ফাগী চেং চবা মীনা। তৌবা ফাগী মাঙ্গর্ম্বী।।

মখোযগী মতৌ উবদা কিনবদি লাযনদুনা পেবেৎ মযামদু নোব ফেৎ নোকফেৎ তৌনবকই। মখোল চৌনা ফাক ফাক নোকশিনবীবকই। লমহেনবা পেবেৎ খবদি নোকপনা পেল্লত্তে। লক্লশিল্লকই। করেম কথাইনবীনকই।

পেবেৎনা ওনবা হৌদোং খবদু বা মখা তাখিদ্রে। শাওশিন লাউশিন্নবম্বসু তোকখ্রে। কাম্নবোইহ খঙলমালে তুমান লৈখ্রে। বা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলমদনা মযুম মযুমদা হন্নখ্রে।

পেবেৎ মান্দনবা ককথৎলুবা মমৈ অমসুং মশাসিং অদু শাংগৎলকপা ঙাইবা ওইনা যাহৌ থেঙবা পেবেৎ মচা মশুশিং, পিশক পীক্লীবশিং,পাইবা হৈবোই হৈতবোই তৌবশিং অদু খুজিন্না শিক্লুনা হৌদোকলুই। হৌদোং নম্মোইবা খঙহন্দনা নুমিৎ খুদিং পাইবা তম্মীবকই। লাংদোন অমদগী লাংদোন অমা উতোন অমদগী উতোন অমা তম্না। ◢

এম্বুস

নোংথঙগী সেংখনবকপদা ম্নুরৈনবা চাংজাওশিংগী কাবক্তা খোযদ্রিং খোযদ্রাং চেল্লিবা তুরেলশিংনা খুদৈ অঙৌবা মথাম মনা মনা শন্নবা তাবরগুম চেঙ্খিবদ ফজদ্রা হায়দুনা হংলূবর্তনি।

পুম্নমক অদু ফজে হাযনা ইতোমতা খনজনগা মঙোন্দা হাযনজদনা তুমীন লৈবম্লবদি ফবমগনি। মহাক ঐহাক মমিং ইমিং তমক খঙনবা, পুন্সিদা অহানবা উন্নবা নুমীৎসু ওইরা, যাম্না কুইনা ফম্মীন্নখিবসু নওবা নীশক অমদা বাফম অসি হৌদোকলুবদগী ইকাযবা নংখি।

ইরং, মকু, বরাকনচিংবা তুরেল খরদু য়েংবদা ফজরা হাযনবদগীদি ফজে ফজদে হায়বগী রাফম ইনৎ নত্তবদা নাকন অমদা ফৈনা যেৎশিল্লকই। মাইক্রোফোন অদুম মুনখ্রে। ঐনা হায়খিবা রাহৈ খবা অদুগা মরী লৈনবা লৈনদবা খঙদে। সিন্ধু, গঙ্গা, জমুনা, ব্রহ্মপুত্র, নর্মদা, তাপ্তী, কৃষ্ণ, কাবেবী, গোদাবরীগী রাফম কোৎখোরকই। তুরেলশিং অদুগী মপান্দা খুন্দারিবা অচৌবা সহরশিংগী রারী নপশিল্লকই।

মখোয য়াম্না লিববা, চাওখৎ খোঙথাংদা খুমাঙ ফজনা চাওশিনখ্রবা মীওই

কাঙলুপনী হাযবকই। মপুকচেল পীকপগী মথক্তা শাগৈ জাৎসু পীকপা মীওই কাঙবু খবগী নীংতম লালহৌ কযা মঙক থুদেকপা ঙস্না মথৌনা ফবা আর্মী ওফিসাব অযাম্বা মফম অশ্বাইদা পোকখিবা ঙাক্তনি হাযজিল্লকই। ঐখোযনা হৌজিক পাইবিবা অসি লমদম অদুগী তৃবেল তম্বাকশিংগী মথক্তা পাইবা ওইবল্লবদি নহাক কযাদা নুংঙাইজবমগনি। অঙকপনা থল্লবা ফজ-ফজববা পোৎশক কযা উবা ফংলগনি হাযবগী ৱা যৌশিল্লকই।

ঙাঙলিবদু তোকখ্রবদি নুংঙাইগনি খল্লুই। তোকপগী মহুৎতা হেনজিল্লকই। ঐখোযগী লোন, মযেব, চাকচা যুথক, চৎনবীশিংদা লকবগী মওংদা পংঙাঙদা ঙাঙলকই। মথৌমক ওইনা, কনাগুম্বা অমনা ইনশিল্লকপদৌনা ঐখোযগী নাৎ লাইনিং লাইশোন্দা ইভৈ তৈশীনবা, ইশম শম্নবগী অশোযবা কযা চিংথোক চিংথাক্তুনা ঙাঙবা তৌগৎলকপা মতাং অদুতদা ঐখোয় অনী শমজি খাইনখি। মহাক্না দিল্লীদা। ঐনা মদাডাদা।

যাম্না শঙন চাইনা মতম [illegible] ঐনা [illegible] শাবনদু [illegible] অমনা মফম ওইবগী মহাক্না ডাওখিব, খুদিং তুমীনা [illegible] চুম্না চমদে [illegible] মহাক্না ঐখোযদা যেংলিবা মীংদে খল্লিবা বাখল তাদনা এপু [illegible] পোকচনাবা মং। সু যাওখি। [illegible] উৎখিদে। মতাং মতম চাদবনা [illegible] লেখি।

ঐনা মঙোন্দা হ লাবা ইচম চম্বা বাহ, অদুনা মফম ওইবগী অদুক যাম্না পোপথোবকযম্দি লেওনি খল্লি। মি মথুন্দগী চি থোবকপা তোইনথম্ন নাইদনা মিবাংগুম অদুক শা থবকখিবা মাগী বাঙাঙশি, তশে না ঙকখি। মচিন মেল্লুবসু যাবা নত্তবনা বান খাচনা তাখি

গুবাহাতিদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবা বস খোঙচৎ অমা নো জ্বথা ওইখিবদগী চীং নীংখাযদুনা লম্না চৎপ যাদবদগী। দিমাপুরগা কোহিমাগগী মবক্তা পুং মরীবোম পঙ্কবন্থি। নাগালেন্দগী লমাইখে লাম্বোল্লগা মণিপুরগী লমাইখে মনুং চংলকপা অদুবাইদা নুমীদাংগী পুং তরা মখাই তাথোকখ্রে।

পেসেনজব মযামগী মরক্ত গী অমনা হাযবকখি — ঐখোযসে হযেং নোংঙাল্লগা চৎপনদি ফবম্বনি। মাঙদা চৎলিবা সিফাইশিং আসিদা কবিগুম্বা এম্বুসকা তৌবক্লবদি যাম্না নাতৈ চাবোই। চহী খবগী মমাঙদস মফম অশ্বাইদা সি আব পী মযাম

হাৎখিবনি। ঐদি সিফাই গাবীগা পুন্না চৎমীন্নবসি পুক্লিং ওল্লোক্না লুমখিদ্রে।

শকখঙদবদুনা ৱাফমসি হেক হাযবা লোযখিবগা নুপাগী খোনজেল অমনা ইপা পাখৎনা, মখোল যান্না হৌনা কোযলাউ লাউবকই — এম্বুস। এম্বুস। এম্বুস।

খঙহৌদনা লাউবকপদু তাবদ' পেসেনজর মযামদু মাযথোং লাংশিন্নে। পাখৎনে। ঙাওনৈ। মহে মহে পকথনৈ। নুপী অঙাংশিংদু মখোল হৌনা কপখৎনবকই। চীং লম্বীগা ওইরবে, মমগা মমলে, সিফাই গাবী খবগা মাঙদা চৎলে এম্বুস হাযবদো তৌদ তৌবব্র বোই খল্লুই।

মীনত খবগী মতুংদদি নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কনা অমত্তগী নাকোংদা তাবা ফংলকত্রবদুদা ওইবা তাই, কিবদগী পাকথনব্বা মযামদু তপ্পা তপ্পা, মথং মথং হৌগৎনবকই। খোনফম কাযনা মকল্লী ফোযদৎমখৈ কোযলাউ লাউবিবা মখোলগী মাযকৈবোমদা যেংনবকই নুপা অদুগী ফমফমলোমদা চংশিন্নবকই।

মমীৎ চেপেৎ উইশিন্দুনা লাইতে পবী মাইবীনা তৌবা মওংদা মখূৎ মখোঙ চপ তিংথোক্লনা হেব মক হাইবদুনা এম্বুস। এম্বুস। এম্বুস। হাযনা লেপ্পনা চাউর্বদু উনবকই। অশিবগুম চপ তিংথোকব্রবা মখোঙ মখূৎশি অদু খবনা থকতোক থেকচিন তৌবা হোৎনৈ। খবনা মমীৎ এমাযদ' ঈশিং খিক্লুনা হন্না হন্না হৈই মিশ্রা বাবু। মিশ্রা বাবু। খবনা অম্মক হাযবকই — দ্রাইভর বাবু। গাবী কন্না খৌর্দায়ু। অনাবা অসি খবখুনা হোসপীতালদা যৌনবা অমুত্তা তৌশি।

নোংমা ইস্ফালদগী কলিকতা ফাওবগী খোঙচৎতা খোঙবু ওইখিবা ঙাঙবা শকপদা ঈশিং লিৎতবা, লমদম অসিদা লৈবিবা মীওই কাঙলুপ অসিনা যুমলিং খুল্লিংদুনা লৈবকপসি চহী চনীবোমদি শুবম্বা যাবে হাযদুনা কবেম কখাইনবোই কবিওই হাযখিবা মপা মপু শাগে জাৎ অনাংবা ইমুংদা পোকপা মালেমগী ঈশিং নুংশিৎকী মহাও লোযনা খঙলবা, হৈগোই শিংথোইববা, মথৌনা মবিংজেল লৈব মিশ্রা বাবুনা বস মনুংদা তৌখিবা এক্তিং অদু কবম্বা মখলগী এক্তিংনো হাযবা ঐগী ৱাখলনা লাম্বা ফংখিদে।

মতম ঙাইহাক্তং ওইববসু ফমীন্নদুনা, বাবী বাতাই শামিন্নখিবা মীশক অমনি মিশ্রা বাবু। মহাক্কী ফিভম কবম তৌখ্রবগে খঙলবা মতুংদা যুম যৌগে খনখি। মহাক্কা লাকমিন্নবা নুপী অমদা ঐগী শক তাকখি। মহাক মিশ্রা বাবুগী লোযনবী ওইবম্মী। খবক্তগী পোৎথাবগা পলেনগী আর্মী কেম্পতা কানতিন ফত্রী মপা

লৈখিদ 'গী দেশতা চৎলুবনি হায।

দোক্তবদা হংলুই— মিশ্রাগী ফিভম কবম তৌবিবগে ?

খলকখি— মহাক চৌজিক কবিশু নুংশা থিনিংঙাই লৈত্রে। ঙসি অহীংসি পোৎথাবগা হুযেং ঙন্না চৎপা যাবগনি।

মাগী নুপীদা ওনশিল্লগসু হংলুই— ভাবাঁ। ঙশায মিশ্রা বাবুনা বস মনুংদা তৌবকপদুবু ।

মাগী নুপীনা খুন্নকহ— মহাক্না সি আন পিগী দি এস পী ওইনা থৌবালদা লৈবিঙৈদা নোংমা মহাক্না লুচিংবা পেত্রোল পার্টি অমদা লালহৌগ খবন। এম্বুস তৌদুনা পুলিসমেন তবা হাৎখি। তগামঙানা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুদা মহাক মবুক্তা নোংমৈ মকমিবি পানখি। নুমাৎ অদুদগী হৌনা মহাক্কী বাখল অসি কৈনোমা অদুম ইতৌ। তৌখ্রবনি ।

তম্নলাই

মমাং মমায় খুমজিনবা বা ডাচদনা মযামদুগী মকুগা অনী অতমা। খুনচোশিংদা মখোযগী খুঙ্গংদুনা চৈ খরা লেংলৌশি অদু কাংদাম্দা চৎখে হায়না হৌলনই।

বাহং অদু খুনজাশি দদি মচ তম খোর্কখি। মখোয় দনা অমত্তা খুনসিদা সিফাই লাকখিবা উহৌদে। লাকপগা নাবখিদে। খওহৌ উহৌদ্রবসু লোংমেনা চুবাদা নম্রগা অওইবমক ওইনা মহংলক্রবদুদদি খনা অমনা উহৌই হায়না খুম্মী। খনা অমনা উহৌদে হায়না খুম্মী।

সিফাই লাকপা উহৌই হায়না খুম্বসু উহৌদে হায়না খুম্বস চেগী চৈ ওাক্তনি। পংফুদা ফুজিল্লি। পংকাওদা কাওসিল্লি। কান্নবসু ফুবা, কান্দ্রবসু ফবগী মওংনি। যাও মচাদা কৈশালনা হংবা রাহংগুম। খুনজা পৃম্বা হাযফম তৌফম খওদে।

মথং মথং ফুদুনা রাহং পাইহংবদু মহাক্কী মপা যৌবকলে। উহৌই হাযনা খুম্নবসু চৈ চাদৌবি। উহৌদে হাযদুনা খুম্নবসু কবিগী উহৌদে হাযদুনা চৈ হেন্না চাগনি। কবম্বা পাউখুম পীগনি খনবদা মীকুপ খবদু তাদা বীব মকোক্কী তুম্বাদ্ ফোঙ ফোঙ শাগৎলকই। অতাংবা মকোক্তু হুমাং মবিক মবিক কায।

যাম্ন খুন্নিংদবা মঙংদা তাবীনন পাউখুম পীবকই— সাব। সিফাইশিং অদু লাকখিবা উংহৌবগুমসু তৌখি। ভৈহৌদবগুমসু তৌখি।

তাদা বীব নোংমৈ পাযবা মীবু ওইববদি পুলিস কোন্সতেবল ওইববসু সাব হেক্তা হাযগল্লি। মহাক্কী পাউখুম ৩.বদা নুপাদুগী মমাযদা খুল্লিবা ফিদু নান্থবকই। থীক থীক লোকখোবকই। মখোল থোকপা মীনোক ওইদ্রবসু পাউখুম মতা অদুনা নুপা অদু থনুং চাক্লা নোক্লীংব পোকহনখিবা মাল্লি। মাগী নোক্লীং শকফমদু খঙহন হনজিল্লগা তাবীবগী মশ জাইদা খুবাক্ব অমুক অনিবক্তুং ফুথোই নানবোই থাবল্লগা থংনেনা উপ্রাক্লা হিপ্তুনা লোবব নুপা অমদা বাহং পাউহ'দু মখা চৎথখি।

অঙাওবগী ফৌশু চবা নোংখনৈ হাযবদু তাদা বীবদ থোকখ্রে। চৈ কিমন্দুনা, মখেক শামন্দুনা অঙাওলাই চুবক্তুনা খুমখিবা মাগী পাউখুম অদু ফম্না ফজনা কান্নখি। খঁতেলা হুনমহ তম হ্'বনমদে। দাউ যাবী, কুথী যেংদবা যাবী।

* * *

নোংযাম মতুং পু অমাবো তাবম্লনি। মমীৎ মমাদা খুম্ন যিজম শৎপা না ঙাউদনা নোংমৈ পাম্বনা মাইস্থা ভুমযুমুক নম্বব থাদবা গাব মনি মঙাদা লাকপি। মখোযনা হেব থু নবগ। ওংডাইনা হুমনাল তোনেওবিং, খুনাই পথা না মৈনা নল্লগা যুম যুমদগী বাঙজেবুংদা পুথোবকই। লৈমাযদা উপ্রাকনা হিপংল্লি

উপ্রাক্লা হিপ্তুনা লৈবিবা খুনজা নুপাশিংগা মনঙ্গন্দা মমাগ খুম্না, লোম্ম পাযবশিং অদুনা হঙ্গৎ হন্দা নেৎতুনা শান্নবকই। মখোযগী মখাঙনা নেৎপদা চৈনা ফাওবকপদগী খজিঙং লেঙ ওৎলুবা খুদিং অমুক্তা হেনা নেৎশিল্লি। কাওশিল্লি। মফম মবাং খঙদমখৈ পংফদা ফুজিল্লি। কনা অমত্তা মখোল থোক্লা বাকৎচবা ঙমদে। তুমীন তুমীন কবিশু নাদবা শাদুনা লৈনৈ।


থাওমৈগী মঙান্দা মখৎ চনীক বানা থাঙ্গৎতুনা লেপ্লশী খুনজা নুপীশিংনা ইনজবকপা ফিবোলদু লৌথোকপাবদা নত্তনা লিংলিবা ফাবৎশিং অদুফাওবা শেগাক শেগাযদি। ফা লোন্দ্রবা থবাও ঙাওশিনা ফৈশিন্নদুনা পাযবকই। উশিং থওইদবা লীচৎ অদু যানিংলবা উৎলুবা খুদিং চৈবান ফংদবা লৈতে মমায মমীৎ খঙদমখৈ ফুজিল্লি। উকল লৈজদবীশিং অদু হিক্রা হিক্রা কপ্পে। মমিৎতগী মপী তাবকই।

ওৎ নৈবা যাবমখে ওৎনৈবা মতুংদসু বাঙাঙদবা, মমায মমীৎ খুম্বশিং অদু কোক হনখিদে। যুম যুমদা চঙদুনা ইমুংগী ফমুং ফানুং উপুনচিংবা শেৎ ফাক্তুনা

থিবগা লৈবম্বা সনা, লূপা পৈশা তক্তুনা লৌখি। খুলগী ভান্ যেন খুনু অমত্তা চিৎথদনা ফাবগা মখোযগী গাবীদা হাপকৎখি। পৃম্নমকসিগী মথক্তা মবাল লৈজদনা চহী তবানিথোই হুমদোইগী অঙা, অঙ্কমসু ফাবীখি। মখোযগী লাইরক কবি ওইখ্রবনো খুনজা অমত্তনা খঙবা ঙমদে।

মঙ হাওম্বা অহী, অদুগী অশেংবা মশক মমী চমজববা খুঙ্গংদা পোকপা তাদা বীবনা খঙবা বানা থোকখি। মনম খুম্বা নাংমে পাযবা, না ঙাঙদবা তম্নলাইশিং অদুনা লৌখিবা শকলোন অদুগী লেহঙ্খোন তাদা বীবগী পোক্না লাম্না ওকফ ফংদে।

থামুক্কী মমাংদা অবাং লেবাযদা নোংমা সিংবাহাং হাংনা চি নবা মমাৎ মমংদা হামুব হনায় তৈশিনবা ব। ওকঙাও ডাঙদবা ফিজম শেৎপা ম ওই খবা লালহৌবা শাদুনা লম্বল খাদনা পান না নাক্লণা মখা লৈজদবা খুনজা কযা মীনু শি যাওদনা ফাবম্বা নুপা বহানু নম হাদুনা শনাক তমখিবগী থৌদোক অদুবুদি না শি দনা ঙম্নঙ্ক। ᒧ



কমল তোইজাম্বা, ঐখোযনা সন-মান তৌজরিবা অইবনি। মহাক চুম্নগী ৱারীমচা ইবনি হায়দুনা পংই ইবা নত্তবা, হেন্না কুপথনকপগী মওং, মফোংদোক্তা করিদা, মপান্দা উরিবশিং অসি নত্তবা, অতোপ্পা অর্থ অমসু পোকহনবা মখলগী খূৎইনি। রিয়েলিতি, ড্রিম, ফেন্তাসিনচিংবা খূৎইরোমদা হেন্না নকশিল্পকপগী মমি ৱাই।

শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহ

কমল তোইজাম্বগী ৱারী মচাশিং অসি যাম্নদি তেল্লগা অপাবশিংগী থম্মোযদা দক লাউনা হেক্তা যৈহনবা ঙম্বগী মগুণ চেল্লি। মতমসিগী থোঁদোক ৱাথোক্তা মবী লৈনবা ৱারী কয়াদা হায়নিংবশিং অদু মযেক শেংনা হাযবা ঙম্বা অইবনি।

শ্রীনীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রি

কমল তোইজাম্বা, মণিপুরী সাহিত্যাদা মমিং লৈববা ৱারীমচা ইর্বনি। মহাক্কী ৱারী মচাশিং অসি য়াম্না তেন্না রিয়েলিতি, ড্রিম অমসুং ফেনতাসিগী খূৎইদা মাঁওইবগী পুন্সিবু য়াম্না ফজনা মশক তাকই। মহাক্কী ৱারী মচাশিং অসি হেন্না কুপ্না নৈনবা মথৌ তাবি নিংই।

ডাঃ নোংমৈথেম তোম্বী সিংহ

কমল তোইজাম্বগী ৱারীমচাদা অচৌবনা মচাশিংবু নৈহৎপীবা, অপাব্দা মীনুংশি পোকহনবা ঙম্বগী মগুণ যাম্না ফজনা যাওই। মতম খূদিং অপাবশিংবু অপিল্লি ওইহল্লি। ড্রিম অমসুং ফেনতাসিগী মওংদা ইবা মাগী ৱারীমচা খবদি অমুক পাবদা ভাব তাবা খরা ৱাই। হন্না হন্না পাবগা, হেন্না ফজবা, হেন্না রিয়েলিস্তিক ওইবগী মশক থোবকই। কাফকাগী খূৎইরোমদা চংশিল্লকপগুমসু তৌই।

ডাঃ থোকচোম ইবোহনবী সিংহ

কমল তোইজাম্বা মণিপুরী সাহিত্যাদা মশাগী মফম অমা কন্দুনা লৈববা ৱারীমচা ইর্বনি। "মীথুংশঙগী হনুবা" কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিনা মণিপুরী সাহিত্যাদা লৈরিবা মাগী মফম অসি অমুক্তা হেন্না মযেক শেংহল্লে।

বিঃ এসঃ ৱাজকুমার (পোক্রম)

"The modern life embroiled in turmoil is successfully depicted" (MITHUNGSHANGI HANUBA)

K. Kulladhwaja (Manipur Mail)